বভ্রুবাহন



শ্রীহাওবম ইবুঙোয়াইমা সিংহ


বভ্রুবাহন

অইবা —
শ্রীহাওবম ইবুঙোয়াইমা সিংহ
কাঙবম লৈকাই, ইম্ফাল।

মমল ৩·৫০

ফোংবা—

অইবা মশা



অহানবা খুৎনম

১৯৭২ ইং

কপিমশিং ১০০০

নম্ফব :— ভাগ্যবতী কার্য্যালয় চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস, ইম্ফাল।

লীলাগী মীশক

নীপা

মণিপুরগী নিংথৌ

সেনাপতি

ব্রাহ্মণ

নিংথৌ (নাগবাজ)

ফম্নাইবা, ডাকু অসিনচিংবা

নুপী

বভ্রুবাহনগী মমা

পোক্কবী মমা

নুপীমচা অমা (মমৈদা বভ্রুবাহনগী নুপী)

"বভ্রুবাহন"

অহানবা তাঙ্কক

অহানবা উৎপা

হস্তিনাপুর—রাজসভা

যুধিষ্ঠির

যুধিষ্ঠির। অকিবকংলব কুরুক্ষেত্র লাণ্ডভগী মৈ'দ মুংখ্রে, মৈশাদি লৈহৌরে যুধিষ্ঠিরগী খম্মোইদা। হে তীর্থরাজ কুরুক্ষেত্র! নঙগী লেংলবা নতম্পাক্তা লিংখৎখবা নরমেধ যজ্ঞগী মৈহুং অদুদা গুরুজন, শাগৈ-নাতৈ, মরী মতা, মরূপ-মপা' অক্ষৌহিনী ভরানীপালগী তেঙ্গোলগী থবায় করুনা যজ্ঞগী পূর্ণাহুতি পিখ্রে। ফংহৌরে যজ্ঞগী ফল ওইনা হস্তিনাগী সিংহাসন পাপচেল্লব যুধিষ্ঠিরনা।

সিংহাসন! নংবু মিতকুন্দগী, লৈপাক মচেৎ অম পামলুকপগী গুরুজন হাৎলে, শাগৈ তুমহল্লে সতী কয়াবু মপুরোংবদা কাইনহল্লে, মমা কয়াবু মচা থাইনহল্লে। মথোয়গী তেংথাখোলনা বজ্র কে'টীনা ভুংবগী হেম' হৌখ্রে, হেন্না কনখে। মীকুপ অমত্তাওব পোম্বাকম লৈখত্রে। ঐগী পপগী লৈবাকী মীশি মীলা তেল্লে, লৌবুক্তা মহৈ-মরাং, মরাং-কাঙ্গলা থোক্লে, প্রজা মপুক শল্লে।

ভগবান। করি তৌরগা ঐগী মহাপাপ অসিগী প্রায়শ্চিত ওইগদগে? প্রায়শ্চিত হইকেমক লৈক্রবরা?

ব্যাসদেব চংকই

ব্যাসদেব—প্রায়শ্চিত লৈ, প্রায়শ্চিত তৌগদৌবনি মহারাজ। অহুতদা নঙগী পাপ ময়েং তাগনি লৈবাক ঙাকপা ঙমগনি, প্রজাগী অয়াবা কোকনি। মাঙপ্রবা ভারতকী মতীক-মঙাল অমুক হল্লকনী

যুধিষ্ঠির—অদুগী তাকপিরো গুরুদেব করি তৌজো হায়বগে ?

ব্যাস—শাস্ত্রগী বিধি মতুংইন্না অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌ। মতুতনা নশাগী অনম্বুং লৈবাকী মঙ্গল ওইগনী। হৌজিক কলি, খোঙ নাম থাংজিল্লক্লে, খোঙ অনীমক শুদ্রিহৈদা যজ্ঞ লোইগদৌবনী।

যুধিষ্ঠির—ননাইবু চানবিদুনা, যজ্ঞগী মতম লেপ্লিরো ননাইবু দীক্ষা তৌবিরো দেব।

ব্যাস—লাক্লিব লমদ গী পুর্ণিমাদা নঙবু দীক্ষা পীগনি। চৎলো, যজ্ঞগী থৌরাং তৌরো।

(শ্রীকৃষ্ণ চঙকই)

শ্রীকৃষ্ণ—করিগী থৌরাংনো দাদ মহারাজ ?

যুধিষ্ঠির—মহাপাপকী প্রায়শ্চিত্ত তৌনবা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌ হায়না ঋষিনা তাকপিরি প্রভু: মতুগী থৌরাংনি। অদুবু যজ্ঞগী মপুদি নহাক্লেদো, নহাক যাওদনদা যজ্ঞ মপুংফানা য়ারোই, অদুনা নহাককী লেঙদনা লৈবীগদৌরনি কেপন !

শ্রীকৃষ্ণ—ঐদি দ্বারকা চৎলগে খল্লদুনা দাদ মহারাজদগী বিদায় লৌগে লা ক্লরনি।

যুধিষ্ঠির—করি হায়নো প্রভু ! নহাক য়াওদনা করম্না যজ্ঞ মপুং ফাগদগে। মক ওইনা হায়েং করিগুম্বা মাতক ওঙাল লৈব নিংথো অমনা যজ্ঞগী শগোল অদি খাথিবা থোক্লো, মদুদা নহাক নত্তনা পাণ্ডবকী করি উপায় লৈরি। মসিদা নহাকপু বিদায় পিবা ঐদি ওয়জরোই। লেঙথিবা য়ারোই।

শ্রীকৃষ্ণ—দাদ মহারাজনা বিদায় পীদ্রবদি চত্তবা তারেদনা।

(অর্জ্জুন চঙকই)

অর্জ্জুন—লেংখিবা য়ারে, লৈথকপগী থোইনা কাম্নদে কুরুক্ষেত্রগী লান্দমবু দ্বারকানাথ য়াওদবা য়দবনী। হৌজিক্কী য়াওদবা য়ারে, ভারত্তা বীর লৈত্রে। ইবুঙোগী কৃপা লৈরবাদ মনাই অর্জ্জুন মথন্তনমু জগৎ পাবা ঙমজগান।

শ্রীকৃষ্ণ—অচুম্বনী, সমুদ্রদা ইকায় লাম্বনা লাক্লগা পীকপ্রব খোং অম লানবগীদমক করি থনকম লৈবগে। দাদ মহারাজ কারিম চিংনবিরক্লমু, মশাগী শক্ত খঙজখুনা হায়রিবান।

অর্জ্জুন—কপননা তাক পাম্নবাল অচুম্বান য়াম্নুং। মরোল অহুম আসগী মথুংদা অর্জ্জুনগী গুণ খঙদবা কনা লৈরগে। কারিম লৈতব অসগী দমক মাপুক্কিদা ঙাংবগনু। দ্বারকা থাদোক্পা কুরে, লেঙনীঙলম য়ে লেঙপ্রসম।

শ্রীকৃষ্ণ—নানা সখা দ্বরক থাদে কাংজ কুররে চৎনী লবনী। অহুগা লম তৌরম্ব প্রীদ সারথী এংখদঙ্গ হেমা করিম হেঙবানা ঐ লেনবগী কারম্ব কাম্নদে। লৈমাং খোংগীদমক্কী প্রত্তান্দগী লেম মাতক চেবা লী যাম্ন লম। পৃথ্বী জয় তৌবা ঙম্বা অর্জ্জুনগী সারথী ওংজরে হায়রবদা মশিং লাংঙমদনা লাক্লনী।

যুধিষ্ঠির—প্রভু কনাদুনে মূক পাম্নিরম্লা?

অর্জ্জুন—য়াম্নুং মপি কনাবুম্থ মূকলা নত্তে। শত্রুবু ঙম্ব ফাল্গুনীগী গুণ খঙহনা হায়রিবনী। যক্নী লগেল থাবগী মাপুক্কিদা চিংনবীববনী শগোল ঙাকপগী থবক অচুম্বনাইনা লৌজরে।

ব্যাস—ফাল্গুনীনা হায়রিবসি ফরে মহারাজ! গাণ্ডিবী শগোল ঙাক-

পগী থবক অসি নঙোন্দা শিন্নয়বনি অর্জ্জুন নানা পুনিংলবদি বৃষকেতু পুবা য়াগনি। মাধব দ্বারকা লেঙনিঙৈ হায়বচু লেঙবা য়ারে। অদুগা যজ্ঞ অসিদী য়াওঁবিদবা য়াদে, থৌদাং অমা পুবিগদৌবনী।

শ্রীকৃষ্ণ—মাদু ঐসু য়ারে ঋষিরাজ রাজসূয় যজ্ঞদা ঐনা পুখিব থবক অদুবক হন্দকসু পুগনী।

ব্যাস—য়ায়া করে প্রভু। মহারাজ থবক অতৈ শীন্দোকলুরসি লাকও।

[শ্রীকৃষ্ণ, অর্জ্জুন নত্তব অতৈ থোকখি]

অর্জ্জুন—দ্বারকা লেংবা তারেদনা প্রভু।

শ্রীকৃষ্ণ—সখা! নঙনসু চৎপা য়ারে হায়বদাঙনে।

অর্জ্জুন—অদু য়োনা লেঙনিংলবদুদা কয়য়া থিংলূনী। লেঙপ্রগা কয়য়া লৈহৌপদগে থল্লুবদা থরায়সি পুবা য়াজবনি।

শ্রীকৃষ্ণ—হৌজিক থবক অসুক চাউবদি তৌগনি হায়রগা অদুয়া পুক্লিং শোন্থবা মতম নক্রে সখা।

অর্জ্জুন—মাদুবুদি চুম্মী প্রভু।

শ্রীকৃষ্ণ—অদুদা বিদায় পীরো সখা।

অর্জ্জুন—লেঙক্রো, রথ শেমলমলগে। (চৎখি)

শ্রীকৃষ্ণ—কুরুক্ষেত্রগী লাল ওয়দা ফাল্গুনীগী থম্মোয়দা নাপল অমা পোকপ্রে। মাগী অপঙবা রাখল অসিবু মুথত্তুনা অচুম্বা জ্ঞানগী মঙাল ফংহল্লবদী পাণ্ডব-সখা হায়বা ঐগী মিং অদি অয়েম্বা ওইরে। (চৎখি)

২শুবা উৎপা

মণিপুর—রাজপাথ

কন্নাইবা অনি য়ারি শাদুনা চৎকই

১বা কন্নাইবা—ঙসি সেনাপতিনা ঐখোয়বু কৌরিবসি করিগী ওইরিদনো ? শা-বাউ লানবাউ ওইরমদনকো।

২বা কন্নাইবা—সেনাপতিনা কৌববু করিগী ওইনি চাক চারো, কুথৈ য়েঙেঙাদা কদাইদগী হায়রাংগদগে, শা লানগী য়া হায়বসি মঙাইদনা।

১বা—মাতুবুদি শোয়রবনে, হৌজিক লৈবাকী ওইরিবা অবস্থা অসিদা লানাদ হেক্তা খোকপা য়ারবনী।

২বা—চিত্রসেন মহারাজ নোজংথে, মণিপুরগী সিংহাসন হাংলি হৌজিক নিংথৌ ওইনিংদববু কনা লৈহগে ? অকোয়বদা লৈরিবা চৌংগী কাঙবুশিং আসম্ভ তাঞ্জাব ফংলবদি ময়ায় অমুক্তং লেপ্পবদাকো হায়দুনা শি দুনা লৈরিবনি।

১বা—চৌংগী কাংবুদা খরব লাপ্লি, ঐখোয়গী মরক্তগী নিংথৌ ওইগে হায়বা য়াঙরক্তুনা ঐখোয় মশেল পংযান য়াম্নরগদ্রা চিংমায়রয়ে ঐদি।

২বা—অত্তনিনে লুরিববো। ঐখোয়বু ঙসি কৌরিবা নীপা অসিমকম্ভ চিংনরিয়ে ঐদি। লৈবাক অসিগী সেনাপতিনিদো, লান্মী, খুৎশুখুদাই লোইনা মাগী মথুত্তা লৈরিদো।

১বা—ঐখোয়বু নিংথৌ শেম্বা য়াও হায়রগদৌবগী কৌরিবরনে ? অঙম্বা ঐদি মসিঙম্বা থবক্তি ঙম্মরোই লাম য়াওবম্ভ ঙম্মরোই। কম

চাউবসু পামজত্রে, নিংথৌগী মনা মখিলসু মিহোত্রে। কম ককা কথে ঙনা যুমদা ছুমিন্না লৈজগে। নহা ওইরিঙৈ পাজল ফরিঙৈদসু লান চৎপদা চুমীং মঙানীদা ঙনা যুমদা লৈবা কংলক্লে।

২বা—অওস্থা। নখোয় এখোয়সে ভাইবঙমপুগী শিন্থা লায়ুম অসিদা পো ওইবিরিনে, এখোয়না মীওবা অপাম্বাঙক্ত। ওইয়ু থোকউ হায়বসু য়াবা নত্তে। অচুগা মফম মওম, তঙ্গানু থর য়েংনা চত্তবা য়াদে। চৎলো এখোয়বু ভাইনরমশনি।

পট পরিবর্তন (Discovery)

কোন্নৌ রাজামফম-দা

দুর্জ্জনসিংহ—চণ্ডীরকক, চণ্ডবররকক অওম্বশিং। এনাং চৎ পনা কুইরে। (ফয়াইবা অনি চঙ সন্দুন থুরুমই) অরুবা রাকা ও গুলী চুনা তৌবান।

ফয়াইবা অনি—করম্বা রাফম ওইরবগে কে থিং

দুর্জ্জন অকৈ করিসু নত্তে, চৌজিক চিত্রসেন মং রাজ থুপত্রে. মণিপুরগী সিংহাসন কনানা ফংফম থোকই? পা রি পু র লৈনা থদবা অঙাং অসনা লৈবাকসিগী মপু ওইগানি হায়বসি এদ যানদে। মহাকপু মণিপুরগী শেলবা সিংহাসনদা থ ফত্তু না মণিপুর রাজ গাদিশী মওগ হন্থুফনগে থনবিরিবরা? নোজাগ্রবা চিত্রসেন মহারাজগী মওগ মাংদনা থত্নীথিগে হায়বরা অমতা হায়বিয়ু।

২বা ফ,—এখোয়দী চিত্রসেন মহারাজগী মওগ মাংহনবা পামজদে।

দুর্জ্জন অদুদি ফরে, ময়াম শেম শাহনা লৈবিরো। এখোয় পুরমক

পুকচেল অমত ওইনা চীথো পাওথোক্নবা তৌরসি। ঐ সেনা-পতিনি, তেঙ্গোল লাম্মী খুৎত-খুৎলাই লোইনমক ঐগী য়াথং মথাদা ঐগী খুৎ লৈরি। ঐগী ইতুংদা ইনবিয়ু। মরাম্মা পাম্বৈরগা মপা খুঙ্দব বভ্রুবাহনবু নিথো হাপ্পগা মাগী খুয়াদা কুন্দুনা অদুম লৈরিবহোংদো, ঐ'দ থোকপা অমা তৌগনী।

১বা ক—কুমার বভ্রুবাহন অভিষেক তৌগনি হায়দুনা থোরাং পুম্নমক লোয়রবদা হৌজিকপু তোকহনবা য়ারিবা ?

দুর্জ্জন—হৌজিক য়া করিস্থ লৈতে, ময়ামগী পুক্কি দা। মরাম্মবু পুকচেল অমত ওইরবদি বভ্রুবাহনবু দ মপ লাক্কনা চিংথরগা মাতঙচাবা নীপা সিংহাসনদা থাক্বং গা তম্মী।

২বা ক,—অজুন তৌহুনা, ইফেং কোংদা হৌবগী মহুত্তা লৌশিং অমা তৌহুনা ঐখোয়গী পনক অসি পওযোক্নবা তৌবনা ফংলোয়ব্রা ?

দুঃ— অদুবু করম্মা লৌশিগে ?

২বা কঃ— নথো ওইনদৌরিবা মা অমিগী মপা অহল হান্না য়েংথোকাসনা।

১বা কঃ—করম্না য়েংগদৌরিব ?

২বা কঃ—পুঅহল চা য়েংগে হায়রদি লাম্বা অম থাভিজগা য়েংবা তারেদনা।

দুঃ— মাগী লাম্বাদো কনানা ওইগদৌরিবা ?

২বা কঃ—লৈবাক্কী সেনাপতিনা ওইব তারেদনা।

দুর্জ্জন - মাতুমা ওইথোক্কবা য়ানি। মপা খুঙদবা অঙাং অসিগা ঐগা করম্মা লাম্বা পাগনি। মাগী মপাঅহল চা য়েংগে হায়রগা, জঙ্গলগী শাগা থেংনহল্লু।

২বা—ঘরে, মাহ্নু থোক্লবা তৌরসি। প্রজা পুম্নমকী রা ওইনা অমম্না লাউথোকপিরো........."অভিষেক তৌপদৌব নোংম লৈরিভৈদা কুমার মথন্ত চত্তুনা মনিকুন্তগী ঈশিং শোকলুগদোবনি ঈশিং অহু হাম্না চাইথরগা অভিষেক তৌগদৌবনি অহু নত্রবদি অভিষেক য়াদে হায়রিবো।" মহু ঙমত্রবদি মতিক চাত্রি লৈবাক ঙাকপগী থবক পুবা ঙমখিরোই হায়হুনা অভিষেক য়েথোক্তুনা থমখিনি। মনিকুপ লৈরিবা জঙ্গল অহুদবু চঙত্রবদি অমুক হল্লকপগী রা লৈত্রে, শানা চাহুনা মরাইনা শিজগ্রাম।

১বা—ঈশিং পুহুনা হল্লক্রবাদ?

২বা—মানা মহু ঙমলগা, অতোপ্পা লম্বী অমা অমুক থিবা হাংবহুনী।

সুঃ— মাহুগী রাখল অহু কেংম্না থম্লাস মতম অহুগী থোক্লব অমা লাক্কনি হৌজক্ত প্রজাগী মত অপাম্বহুদা হাম্না ল উথোকপিখো।

(চিত্রাঙ্গদা চঙকই)

চিত্রাঙ্গদা—করিনো লাউথোক্লৌরিবদে সেনাপতি?

অর্জ্জন—মতম কুহনা লৈবক্লগা ঐথোয়গী লৈবাক চংনবী অহানমা মমাশিজ ইবেম্মা।

চিত্রাঙ্গদা—চংনবীহুনী ঐনা শঙনিংলবা।

অর্জ্জন—প্রজানা হায়জরিবহু লাউথোক্লকপা মতমদা রাজ মাতাম্হু লোইনা থঙবিগনি।

চিত্রাঙ্গদা—লাউথোকক্তি ভৈদা চংনবী হায়রিবহুবু রাজমাতা অম ওইনা ঐহাকস্থু থজিক্কং কাওবা থঙবা য়াত্রবরা?

২বা কং—করিগী য়াদদগে মমাশিজ ইবেম্মা। লৈবাকা চংনবী মতুং

ইন্না অভিষেক তৌগদোব নোংম ষাংলিতৌবা কুমার মশামক্তা মনিকুণ্ডগী ঈশিং চক্ত অম লৌকপদোবনী ঈশাংহু লৌকবা ওমদ্রবদি ওমন্ত্রিবা কাওবা অভিষেক তৌবা য়াগ্রি।

চিত্রাঙ্গদা—হয়ুব! নপোকথোক নয়া লাংলে। নমং থুংবা লাম্বা ফংলে, ওইদবা ভাংগনু। মসিবু লৈবাক্কী চৎনবীরা ?

দুর্জন—চৎনবী মন্ত্রবদি প্রজাশিংনো ঐখোয়দা করিগী লাওয়গদগে ?

চিত্রাঃ—নঙোন্দা হংবা নত্তে সেনাপতি। হয়ুবা, না হংলবাসিগী পাউখুম পীয়ু।

দুঃ—প্রজানা লাউরৈ লাউরদে হায়রহু একাম থুম্বীয়ুদনা।

(আনন্দরাম—চঙ্‌লক)

আনন্দরা।—লাউরবস্থু লাউরে, লাউদ্রবস লাওরে। থবক ফইনমি হায়রবাদ নচা ঈবুঙোবু অনিকুণ্ডগী চাশিং লৌকমু।

চিত্রঃ ঠাকুর। হায়রবসু অসিবু রাজবংশ অসিগী থাইনদগী চৎনবরস্থু নিয়মপা ?

আনন্দ—থাইনদগী চৎনরবস্থু চৎনবে, এৎন হবস্থু চৎনরে। থাজেং শেবদি হৌজিক লৈবাকসি মকোক ঞ পাম্রে। নচাইবুঙো থাগে হায়রিবদা থারোঞ্জ হায়রিবরা ?

চিত্রা—মাদি অঙাংনী কমদোন জঙ্গলদা লা-কে মরক্কা চংবা ওমপদগে ?

আনন্দ—অঙাং ওহৈরবস্থু অঙাং ওইদ্রবস্থু মাগী শিংলিদা চেক্কিবা ঈ অসি কনাগীনো খঙদ্রা ইমা। জঙ্গলদগী ঈশিং খর লৌকখা হায়রবহুদি মাঙোন্দদী শামবওয়নী।

চিত্রা—ঐগী ইচাবু থাবসিদি ঠাকুরবস্থু পাম্ব দনা অহুদে ?

আনন্দ—হা—হা—হা। পাগলবস্থু পাম্মে, পাগলবস্থু পাম্বা তারে। ঐগী অপাম পাগল, য়ানীংব য়ানিংদবগী রা খাদোকউ ইমা। মাচুনা করিস্থু চংনবা য়ারোই। ঐগী হায়ববু অঙাং অসে ইনঙ্ঙা চাউরক্লবনিন। মাবু ঐনা ভতোম্মানি হায়না নিংদে।

চিত্রা—অদুবু মাসি চুমদব থওক্নী

আনন্দ—কায়দে ইমা! অচুম চুমদগী বিচার তৌবিনবা মী লৈতে হৌজিক। চংসে অঙাংদু শীকাবিগী শারানন চৎপই ফিজোল শেংপিকরে।

(বভ্রুবাহন চঙকই)

বভ্রুবাহন—শীকার হায়নসি জীব কাং নি ঐ মাচু শংজদে, মাচুগী মহুত্তা লিঙ্ক রাগী ফিজোলনা পাইনা পংনৈজে। ঈশং লোক হায়রিবসি ঐবু জা ক্লাংকংগে অসিনা মসিগুম্ব থংক্লা ঐবু ঈনাশিনবিগা।

চিত্রা—মাচু পাওদবা অ স্বর্গ রঙৎনা নক্লানা বাংনত্র? নংবু ঐনা পোকপা নত্রা? হাওদব।

বভ্রু—ইমা! ঐবু ইমানা লৌহাংনিংবমথৈ লৈবিয়ু। পাওদবা হায়রদুদি হায়বিগম্ব। নচা অফম্ব, পাওরব নওে। নোশা অমোমগী গর্ভগী লমহুই পোকপা হেৎলে ঐ কননুস্থু, করিবুস্থু কৌজদে। মরম লৈতনা জীব হাংপদী ঐ ভমজরোই। ইমাগী চরন কোন্দুনা হায়জ র অসিগুম্বা ছিংচা য়াইতম্বগী থবক অসিদা ঐবু থৌজিনবিগম্ব।

চিত্রা—বভ্রুবাহন ... ...

(দুর্জ্জনসিংহগা অগুম্ফশিংপা মমিৎ থংনৈ)

আনন্দরাম—মাতু মারোই, নংগী মাথল অহুনা চৎনবা মাব মতম নত্রে। নপানা মানিংত্রবসু মাসিংদি তৌদবা মাত্রবনি নত্রবদি সিংহাসন নাপ্পে ফখিগদৌরি।

বভ্রু—অসুক মুংশিংইক্তবা থৌরাং অসিবু করিগীদমকনো ইমা?

চিত্রা—নগী নপাঙ্গল নথোনা চাং য়েংনবগীদমক। লৈবাক ভাকপা ভুমগত্রা ভস্মে মদ্রা থেংহনগদৌরিবনি।

বভ্রু—শা হাৎপা জীন মাহনবদা মীগী পাঙ্গল চাং য়েংবাসবু মণিপুর রাজব সগী চৎনবিরা?

চিত্রা নিঙাই থৌরম্ভ থেংলগস্ভ কয়াগী ইবুঙো। নগী নপাঙ্গল খণ্ডহন্দনা হাদে। চৎলু লাগঙু, ঠকুর থেঙুস।

[বভ্রুবাহন, চিত্রাঙ্গদ আনন্দরাম চৎখি]

২বা ক—হা—হা—হা—কর সেনাপতি, শকাপ অমদা তেক্তা কেল্লিদা। নক্লাসে ভমং অনপ্পা কারে, পাখংলে।

দুর্জ্জন—ময়াম থে বরেদনা। অজ্জুনা মচা ওঙ্করমলন্দবু অসুক য়ম্ম গত্র?

১বা ক—অচুম্বনি সেনাপতি। লেগুংসি ঐথোয়না লৈব ক্তা লাগুনা থেংকদৌবতু ফজনা লাগুথোকলুবাস।

(দুর্জ্জন নত্তনা ময়াম চংখি।)

দুর্জ্জন—ঐগী থবক মহৈ মানবা শোয়ররোই। জজলগী মচি অমদা লোত্তুনা লৈগে। মামা থবক পাগুথোক্লুনা মল্লকপা থোক্লবদি অথরব লাম্মী থর থাজিন্দুনা লোইশিলহনবা হায়বত্নুবি। (চৎখি)

ভণ্ডবা উৎপা

লম্বী

লান্মী অনি

১বা লান্মী—ভায়া ! ঐখোয়না চৎলিবসি শিবা হায়বহুনি।

২বা লান্মী—ঐখোয়বু শোয়দনা শিব মতাংবরাগু।

১বা—শিদবদি ঐখোয়বু কুপ্পাইবা চৎলিবরনে ? শা-কৈনা খন্নব জঙ্গলদা চঙববু শিবা নত্তনা ঐখোয়না ওইরুপদোবসি করিনো ?

২বা—মহাক্না নিংথৌ ওইনিংলগা ঐখোয়বু শা-কৈগী খয়াত্ত চোংশিন্নু অতুগা মরাল করিস্ত লৈজগ্রগা কুমার বভ্রুবাহনবুস্তু হাৎলু, চুমদবা থবক তৌ হায়রবস্তু সেনাপতিনী হায়রন্তুনা মহাক্না হায়বদমক ইল্লগদ্রা ?

১বা—নত্তবু বভ্রুবাহন হাৎপা য়াওগে নিংলিবরনে ?

২বা—মরাল করিস্তু লৈত্তবা নহা অ সবুদা ঙশ্নিগী হাৎনংলুগবনো ?

১বা—ঐস্তু অহুনি, হৌজিক ল্লা করিস্তু লৈতে, সেনাপতিনা হংলগা পেংনদে হায়রগা লোইরে। জঙ্গল ময়াঙ্গী চঙলুদলস্তু মতাইদা লোত্তুনা লৈরগা করি তৌবা ওহাক য়েংলগা হেক হনগ্রগা লোইরে। চঙশিনসি।

পট—পারিবর্ত্তন

লমহাং (জঙ্গল)

দুর্জন—হৌজিক কমদোবনা ঙরিবা ? মাগী মতু প্রপ প্রপ ইল্লসিন্না ? হু মাগা নক্তনা শক উন্ননা চৎপদি ফত্তে, লাপুন্না মনিকুপ লৈরিবা জঙ্গল অসিগী ময়াঙ্গী তন্না থর চৎশিনগে। (চৎখি)

(আনন্দরাম চঙকই)
(মায়কৈ মরিদা শা-কৈ খোংবা)

আনন্দরাম—জঙ্গল অসিদা লৈরিবা শাহিং চাবা জীব পুম্নমক। লাকও ঐবু চাররো। ঐবু চারগা কুমার বভ্রুবাহন অসিবু মদোকপিরগ লাইবকথীরবী অমগী ফিজিগী লল অসিগী মথয়ায়-ভদি কনবিয়ু।

[পুল অম পায়দুনা খুৎলাই পায়ব বভ্রুবাহন চঙকই]

বভ্রু—হুমিৎ ভাগদোরে। মীকুপ অমগী মন্নুংদা পৃথিবীসি পুম্নম মমপ্রগনি। মনিকুপ লৈরিব শুকপ্রবা উম'দা চঙবা ভারি ইমাগী য়াথংনা। অভিষেকীদমক মনিকুপকী ঈশিং লৌরুবা ভারি। ঈশিং অসি য়াওপ্রবদি অভিষেক য়াদে মাসি রাজবংশ অসিগী মতম কুইনা চৎনরক্রব নিয়মনী হায়না প্রজাশিংনা হায়রি। শা-কৈনা থল্লব জঙ্গল মন্নুংদগী ঈশিং শোকলুবা হায়বসি শা হাত্তবা য়াদ্রবনি। ঐগী লমাইগী থবক পাংনবা কোৎনবদা জীব হাৎপা ভারি। জীব হাত্তুনা সিংহ'সন ক'গে ভানবা, মায়পাকপা ভানবা। অহুক তুক্কচরবা থবক তৌদনা নিংথৌ ওইবা। ভোলী, ভোলী। ইমা! নহাক্কী নয়াথং অসি ওস্থোক্কা লুখিদ্রে। অত্তবু উপায় লৈতে। ইমাগী য়াথং করম্না হীক্তোকমি। মণিকুণ্ডগী ঈ শি' লৌরুগনি ইমাগী য়াথং ভাকনি। ভগবান ইবুঙো নংনা উদ থওদবা লৈত্তবনি। নহাক্কা শিল্লিবা ভাক্তি নমাইগী অরানবা পুম্নমক ভাকপিয়ুকো ইবুঙো। ত্বয়া হৃষীকেশেন হৃদিস্থিতেন যথা নিযুক্তোঽস্মি তথা করোমি।

(চৎকে তৌই।)

(কৈ মচা পমদুনা সুধা চণ্ডকই)

সুধা—নীপা নহাক লম্মাংনরবরা ?

বভ্রু—সুপীমচা নহাক্তি মফম অসিদা কমদৌনা লাক্লিবা ?

সুধা—নংবু লম্বী শোয়দুনা শা কৈনা থল্লবা নারক অসিদা লাক্লিবা মত্রংনো ?

বভ্রু—ঐনা হংবদু হান্না খুমখো।

সুধা—ঐনা আসদা লাকপা সদি কবিসু ওকফম লৈতে—ঐখোয়গী যুম অসিদা লৈয়ে।

বভ্রু—শা কৈগী লৈফম ওইরবা নারক অসিদা নখোয়গী যুম লৈ হায়বা। লৌনম ক্ষোগম্ব সুপীমচা। অঙকইবা হায়রু, নঙ তাইবঙ মীনিদনকো।

সুধা—হায়মং, উরবদু তোয়, ঐসু নখোয়গুম্না খোং খুং পাম্ম, কেন্নই কাংরি বা থংদই, নাকইবসিনভাইদনা।

বভ্রু—মতুংদা নং আসদা নংগী লাক্লিবা। কৌজিক নম মংসী মা থেংনবদা শোয়দনা হাংগ্রগনি।

সুধা—ঐদি মখোয়বু খু শ, মখোয়গদা শাম্ন দৈয়ে। মখোয়গী ফত্তনব অমত্তম্ব তৌরুদে, অদুগা মখোয়না করম্না ঐবু হংকনি ? প্রধান হায়ববু য়েংঙু, কৈ মচা অদে মমাগী খোনগী ঐনা পুরক্লিবনি, মখোয়নসু ঐবু সুংশবনিনা করম্ব তৌরক্তে অদুম য়েংদুনা লৈহৌই।

বভ্রু—অঙকপনি সুপীমচা। শাহিং ভাহিং চাবা কৈনা জীব হাংজে হান্নবসি ঐ য়াবা ওমজ্রি।

সুধা—মীৎনা উরবনিফাওব ... ভমত্রিবরা ? নঙগী কোক অসিবু করম্বা কোক্নো, খোপ য়াওদবা তুম্বারা ? হিংসা হায়বনি তৌরক্রবদি হিংস হায়বা .পাং অহু চঙকপা ভমত্রবনী।

বক্র—অদুনি শাহিং চাবা বনগী শা কৈ পুম্নমক হিংসা কাউখ্রে ?

সুধা—তৌরবদগী মখোয়স্ত হিংসা হু য়বন্থ কাউখ্রবাননে।

বক্র—(মতোমতা) ঙ্কুভো। নফাঙ্কী ম ... নাইত্রব থৌজান্দগী ভসি ননাইগী অরানবা ভসি কাফদে। মুপীমচা অসিনা ভসি ঐবু মনঙ নাইত্রব মস্ক অমা ভম্বাঙনা পুক্নিগী অমম্বা অমা কোনহম্লে। (ফোনে) মুপীমচা, নঙ ভমবু ওইরবস্ক অমবু ওইরবস্ক নংনা ফায়রিবসিগী চপ চ বা প্রমান কৌথিগাল ঐঙাক, ভাও মুপীমচা! ... শোক্কে ... ফাকপনি, ইশা ভাকশোম্নবা খুংগু খুংলাই পুহনা লাকপনি। অদুবু নঙগী নরা... পাজবদগী খুংগু খুংজ ... থদেক্লগ ন নঙবুদা অসিদা উরবা ... । থনম ..., ঐনা অ... অ ... নৈমজনা ... নবু থদেক্লগ ... নঙবু ... ।

(... থাবু উরিনা পুনশিল্লগ চংক্কে তৌবা)

সুধা—নংন ... খুং ... ওনা ... চ... হায়... মখদা ক উপক্ল চংকদোবা চলুখো, শক্কগা ... অতবী তৌ ... ।

বক্র—করিনো নঙনা হায়রিবত্থ মুপীমচা ?

সুধা—ঐনা হায়থ্রবত্থ থবায় মঙা য়াওনা হা... থ্রবনি। অমুক হন্না হায়ররোই। চংলুখো হল্লক্লগা থম্মোইগী য়া হায়গে।

বভ্রু—করে অহুদি নঙ অসিদা লেঙদনা লৈরম্মুকো। (চৎখি)

সুধা—চৎলো পাখং। মঙ্গল ওইহুনা হল্লকপা ওইয়ু। অহুগা নংনা তৌজবগী মহৈদি নঙনা কংজব তাবনী।

[আনন্দরাম চঙকই]

আনন্দরাম—বনসি শাংলে ঐনা খিবা, কুমার থেংনবা লৈখিদ্রে। অসিদা লৈরিবী সুপীমচাশিং অসিসু মখোয়সু খিবিরকনি হায়রম্মী। মখোয়সু—অমত্তা উনবা লৈত্রে, বন অসিগী মঙং অসিসু কনা গুক্লিংঙাইনী। নাক, য়েং মাঙ তুং অকোয়বসিদা শা কৈনা গুংলিবা, খোংলিবা নাকোং অসি য়ৈশিল্লে থবাকী মিহুন অসি চেংথৈবগুমগ্রে। অহুবু অমত্তসু চোংথোক্লকুনা থেংনবদিমলৈত্রে (সুধাবু উহুনা) হায়বা সুপীমচা অসিদি কনানা পুনশিনবিরম্নীবা? সুংশি খত্রবা কনানা নহাকপু অমুক চেৎনা পুনশিনবিরম্নীবা? সে ঐ থাদোক পগেসে

সুধা—নত্তে নত্তে বাবা ঐবু থাদোকপিগনু ঐবু পুম্নম্নবা মীশক অহু নত্তনা অতৈ অমনা ঐবু থাদোকপা য়ারোই।

আনন্দরাম—হাই য়াঙাংসিদে মতা অমনিনা। করিনো সুপীমচা নঙনা হায়রিবাসবো। জঙ্গল অসিদা হেক চঙলকখৈদগী ঐবু অঙকপা ঙাক্না থেংনগ্রেকো। শাহিংচাবা কৈ কাওবা ঐবু উবদা কোইনা চত্তুনা থৈদোকগ্রে।

[ঈশিংপুল অথনবা অমা পুহুনা বভ্রুবান চঙকই]

বভ্রু—সুপীমচা। নহাক কনানো নশক তাকউ। ঐ মঙ্গল ওইরক্লে, অশোয় অঙাম লৈতনা ঈশিং শোক্লক্লে। নঙগী পুক্লিবহু থাদোকপিরগে।

আনন্দ—কুমার নং হল্লক্রে।

বভ্রু হল্লক্রে ঠাকুর খবকস্ত মঙ্গল ওইরে। সুপীমচা অসিগী মগুন্দী অঙকপনি ঠাকুর। মানা ঐঙোন্দা তম্বীখিবা মন্ত্র অসিদি কনা অদনা তাকখিবা তথা মন্ত্র নংখিদ্রে। জঙ্গলগী শা কৈ মরক্তা চঙবদা ঐগী ইশা কম্নবা খুৎশু-খুৎলাই য়াওরকই, সুপীমচা অসিনা হাৎবা লৌহনা নারক চঙশমলাইদা খুৎলাইনাচিংবা লোইনা লৌথোক্তুনা থংমই। মাগী মরা অচু চুম্ব্রঃ চুংদত্রা য়েংগে হায়তুনা মাবু ঐনা মফম অসিমক্তদা উরিং পুন্মুনা থনমই। হৌক্লিক্লি খংলে, মানা হায়বা অমত্তা শোয়বা য়াওদে। ঐবু লোশিং তাকপির্বি হে লাইরেম্বী নহাকপু পুন্নমহু খাদোক্লগে

[পুনম খদোকই]

সুধা—পুনবা খাদোকপা অসিনদি ঐবু কনবীবা নত্তে। নহাক্না ঐগী খুৎ পায়বিখ্রে, ঐগী জাৎ মাঙহনবিরে। ঐগী ধর্ম্ম তাকপিয়ু।

বভ্রু—করিনোনে নংনা হায়রিবসিবো। নঙবু বুদ্ধি চাইরবরা? নঙনা তাওরবসু কুমার বভ্রুবাহন্দী তাওদ্রি, মণিপুর রাজবংশগী মাস্যাদা য়েংদনা হৌরকফম খঙদবী নারক্তা লৈবী মুপী অদবু কৈদৌঙৈদসু মাগী ওইদা কমহল্লোই। নঙগী ওইমরোইদোবা আশা অদু খাদোকউ। নঙনা ঐগী ইতেং পাংবিখিবগী মনা ওইনা ঐগী মমল য়ামলবা মুক্তা পরেং অসি লৌতুনা নম্নমদা হল্লো।

সুধা—নারক্তা লৈবী ঐঙোন্দদী নংগী মুক্তা পরেং অতুনা করি কান্নগনি। মাতুদি নহাক অতুম পুখো। ঐবু ননাই ওইগত্রা ওইরোইদ্রা অসিমত হায়রম্মু।

বভ্রু—ওইরবোইদোবা আশাহু থাদোকউ কৈদৌউদস্তু ওইরবোইদবনী।

সুধা—বাবা। নও বিচার তৌনা, মাসিবু নিংথৌগী মচৎলা? লাইরব প্রজাগী অরৈবমথৈ মুন্দুনা লৌথোকপিরগা অস্তুম্না হুন্দোক-পিরবসিবু নিংথৌগী ধর্ম্মরা, মীগী মচৎলা?

আনন্দ—নিংথৌমচা অমনা নঙগুম্বী অমবুদি হেক লৌবা য়াবরদো।

সুধা—লৌবা য়াদ্রবদি ঐগী থুং পাইহৌবরম্লীবদি করিগীনো?

আনন্দ—নহানীনা ভাব তাবা নত্তে। মফম থংদনা জ্ঞান তাদনা তৌরুব থবক্তা প্রতিকার লৈতবা হৌনদে। নঙনা কুমারদা লৈবা হায়রবসিতদি হায়গনু। নঙনা অপাম্বা অমা হায়ু। শেল পাম্বরা, লৈবাক পাম্বরা অপাম্বদা হায়য়ু।

সুধা—ঐ করিমত্তা পামদে। ঐনা পাম্বদি ইপুরোইবা। হায়বিয়ু রাজকুমার ঐগী ধর্ম্ম ওাকদ্রা?

বভ্রু—ঐ মহু কৈদৌউদস্তু ওমলোই, লাকও ঠাকুর চংসি।

[আনন্দরামগা চৎমিন্নথি]

সুধা—চংলো শুংশিথওদবা। ঐস্তু নকৈন্দা অমুক হায়জররোই। নও চেদুনা হিবরা য়েগে।

[মরুমদা দুর্জ্জনসিংহ]

দুর্জ্জন—কনা লৈরগে, তমগীরবা শাগী থয়াত্তগী ঐবু অমুক্তা কল্লু।

সুধা—কিপন্ন ঐ লাকএ (চেনথ)

[দুর্জ্জনসিংহ চেনশিন্নকই]

দুর্জ্জন—কদোমদা চেন্নগা হিংগনি। এঃ লাক্লে ঐগী ঈ থকদোবগী শর্দ্দুল অশোমদা চেন্নক্লে ঐগী কত্রব লাম্মীশিং মতুনা ঐবু অস্তুক

খুদোংথীবা অসিদা তাহল্লিবনি। কনা কনা লৈবগে ঐগী থবাই অমুক্তদী কল্লো। (সুধা চঙলকই)

সুধা—কিগনু নীপা। খুৎশু-খুৎলাই লোইনা হুন্দোক্লমগা ঐগী ইতুং ইল্লকউ। বন অসি লাম্থোক্লিবকাওবা ঐনা নহাকপু শেল্লগনি।

(খুৎলাই থম্লগা দুর্জ্জনাসিংহ সুধাগী মতুং ইন্দুনা চৎখি।)

৪শুবা উৎপা

লম্বী

লাম্না আন চঙকই

১বা লাম্নী—ঐখোয়না ইশ কন্নবা হায়রুনা পায়রিবা থাঙ-তা অসিদি কন্নব নৎলমদ্রে ঐখোয় শিজনবা ওইরম্লেদনা।

২বা লাম্নী—হায়নে ওসি তৌথ্রবচ্নদি মতুমক তারবনি। কুমার বভ্রুবাহনদুসু থাঙ-তা লোইনা থনম্লগা শা-কেতনা কোয়শিন্দুনা লৈরবা কুহাদগী ঈশিং লৌক্লারবহুনীনে।

১বা—ফুপীমচা অদুবু বন অসিগী লাইরেম্বীরনে। কুমারবুসু মনা খুৎশু-খুৎলাই লোথোকহাল্ল ঐখোয়গী সেনাপতিমকসু শানা তাম্লক্লুনা মুংশা শোয় পবেৎ থবেৎ তোন্দুনা চেল্লকপদগী মাগী খুৎশু-খুৎলাই লোইনা থম্লগা মানা কনাবিখি।

২বা—থাঙ্গৈশেংবাদি থাঙ-তা হায়বসনাকে হিংসাগী পোৎনি। অপঙবা, হুরানবা, ডাকুন চংববু অদুগ হিংসবা হায়বগনি। য়েঙচুদনা

লাইহাক্তকী তৌনরক্লিবা লাল হায়বসিদা খুৎলাই থাদোক্তুনা
ভিনা লৈরবা মীবু হাৎপরদো ।

১বা—চুম্মে, নঙনা হায়রিবসি ঐ য়ানিংলে । অতুদি ঐখোয়স্তু ঙসিদগী খাঙ-তা ককাসি খাংপা থমগ্রসি । অদুগা মুপীসিদা মথুৎপু পায়রুরবদি লৈগে হেক্তা ত'ঙরোরে ।

২বা—নঙনা হায়রিবসি ঙসাই লৈশাবী অতুনা কুমার বভ্রুবাহনদা লৈগনি হায়তুনা তাম্নবতুবুরনে ?

১বা—হোয়নে, কুমারনদী মাবু লৌবা ওম্মোই হায়তুনা চেল্লি, মুপীতুনা লৈত্তবা ওম্মোই হায়তুনা তান্নবতুনীদনা । অতুনা ঐখোয়স্তু, ঐখোয়না লৌনিং লৌনিংবা মুপীগী মথুং কেক্ত পায়হৌরগা লোয়রেদনা, লৈতব ওম্মোয় হায়তুনা মথস্ত তান্নজরকনি ।

২বা—ভাওগম্নু ভায়া । চুপীতুনা পামজবা নীপা ওইরুবগী তান্নবনী । কুমার বভ্রুবাহনদী নিংথৌনি, অভিষেক তৌগদৌবসীদ ভাইতুনা লৈরিরনি । নিংথৌস্তু ওইরবা মশকস্তু কার্ত্তিকমুক ফজবা মাবুদী কনানা পামদগনি । মানা পামদব নিপানা শোকউরগা মথুৎ পায়তুনা চিংলম্লে হায়তুনা রায়েলশঙদা রাকক্তুনা কায়াদ লৈগদৌবনি—থঙঙ । থক তৌজ লাকচরুস্তু । লাকও কোমুংগী পাও তারুসি, কুমারস্তু মনিকুপকী ঈশেং শোক্তুনা কোমুং য়ৌগ্রে অভিষেকী ঈরাং য়েংলুসি চৎসি —

(অনিমক চৎথি)

৫শুবা উৎপা

রাজ সভা

চিত্রাঙ্গদা, মন্ত্রীনচিংবা অওম্বশিং।

মন্ত্রী—সুমিংসি কনা থেঙজিনখ্রে, কুমার হল্লকমি হায়বা খাজরক্কে।

চিত্রা—খাজদবা তৌবিমু বরমন্ত্রী। ঐগী ইচাদো তরাই তরাইনা খনবিম্মু।

মন্ত্রী—করিগুম্বা হল্লক্রবস্থ কুহাগী ঈশিংদি পুরকপা ঙমগনি খাজব্রে।

চিত্রা—মন্ত্রী মহাশয়! ঐগী ইচা অদো বনগী শা কিহুনা মাগী মথৌ লাইথোকদৌবা অহুক ময়া পাঙদবা অঙাং নত্তে। মাবু ময়া খনবিরুগনু (বভ্রুবাহন লাকপা উহুনা) হায়রিবৈদো বভ্রুবাহন ঈশিং পুহুনা য়োরক্লে। হৌজিক্তি ইচাগী অভিষেকী থৌরাং লোইবিরো

(বভ্রুবাহনগা আনন্দরামগা চঙকই)

আনন্দর'ম—ইবেমা! কুমার অভিষেক তৌনবা থৌরাং তৌরো। মনিকুপকী ঈশিং পুরক্লে কুমারনা।

বভ্রুবাহন—ইমা! ইমাগী বরদগী মঙল ওইজরক্ল।

চিত্রা—মুঙাইরে ইমাগী ইবুঙেঙা। ইমাগী বরদগী থবক পুরমক্তা নমায় পাকপা ওইয়ুকো।

(দুর্জ্জনসিংহ চঙকই)

দুর্জ্জন—মতীকচাব। প্রধান মাওদনা ঈশিং অসি মনিকুপকী ঈশিংনী হায়বা য়ারোই। ঐনা খনবদি কুমারদি জঙ্গল য়োদনা লমখাঙদগী হল্লক্রমারে।

আনন্দ—কুমারনা মণিকুপ য়ৌবসি ঐ ইমিৎমক্তা উরক্লবনি।

দুর্জ্জয়—ওইদবা রাম্নি। শা কৈনা থল্লবা জঙ্গল অচু য়ৌরুরগা মশাদা অশোক-অপন অমত্ত লৈতনা মতু অমা কাওবা ওজনা হল্লকপা ওইখোক্তবা রানি। ঐসু কুমারগী মতুং ইল্লুবদা বন মচিন্দা শর্দ্দুলন কপ্পা ভাল্লরকঞ্রে কুমারনা জঙ্গল মন্নুং চংলুবা হায়বসি থাজবা য়াত্রবা রানি, ঈচঙ চঙঙুদবনি।

চিত্রা—সেনাপতিনা হায়রিবসি অচুম্বরা বভ্রু? নঙবু শানা ভাল্লকপরা?

বভ্রু—অরেম্বা রানি ইমা। শানা ভাল্লকপদি হায়রুন্নু শা অমত্তসু থেংনরক্তে, শা অমত্তসু উরক্তে।

দুর্জ্জয়—শা কৈনা থল্লবা জঙ্গল মন্নুং চংলুরনা কুমারনা শ অমফাওবা উরক্তবা, অচুগা ঐগাকপুনা শানা ভাল্লরক্তুনা জঙ্গল মন্নুং চঙবা ওমদনা হল্লকপা অসিদা য়য়াম্না বিচার তৌবিরো কুমারগী মরা অসি থাজবা য়াবরা য়াদবরা?

মন্ত্রী—কুমারগী রা অসি থাজকম থোক্তে। কুমার জঙ্গল চঙবদি লায়রহুনা জঙ্গলগী মচীন ফাওবা থৌরম্লরোই।

চিত্রা—হায়রিবসি করিনো বভ্রু! নঙ জঙ্গল চঙঙুদবা তাইনে। অসুক পাঙদবা অসুক য়ুম্বা নংবু ঐনা পোকপনিকো।

বভ্রু—কোকথক্তা ঈশ্বর মাওদা অপোকপী ইমা লৈরি ঐনা হায়রিবসি মীনম্বা মচেৎ অম কাওবা য়াওদবনি অমুকসু হন্না হায়জরি-বসিনি মণিকুপ্তগী ঈশিং পুল অসি থন্না শোকচরকপনি। অসিদসু নত্তনা অনৌবা জ্ঞানগী মঙালগা লোয়ননা অনৌবা পুনশি অমা ফংলক্লে। লাইরেম্বী অমনা মন্ত্র অমা তম্বীরম্লে! "ইশানা

চিংসা তৌরুভ্রবদা শাস্ত্র হিংসা তৌ.দ। মত্র অসি ফংচুনা খুৎশু-খুৎলাই লোইনা লৌথোক্‌না থনমলগা ইথত্ত জঙ্গল মমুং চপ্তচুনা ঈশিং শোকলুরগা করিমতা তৌদনা হুমক্লিবসিমী।

দুর্জ্জন—হা—হা—হা—অশুকপা রারেংনী। ফজপ্রবা রারিনি কুমারগী রারিসি ময়াম থাজবীগে হায়রবস্ত্র থাজবীত্র। ঐদি থাজবদী হায়রুগন্ত্র, নাদা ফাওবা হাপ্পাংদে

চিত্রা—ক্ষেত্রি শাগৈ চেত্তনবা মচানী নহাক। মরিলচুবদবা ব্রহ্মান অমগা তিম্নচুনা পুম্নমকপু নঙনা গুমহৎকে হোৎনরিব! নঙনা নীংলিবত্ব কৈদৌঙৈদস্ত্র থুংলোই। নখেংম্ন অনি লৈবাক অসিদা লৈবা যারোই। চৎপ্রো চৎলু নশক অত্থ অমুক হন্না উৎলন্থ।

বভ্রু—ইমাগী য়াথং ইকোক থোংনা য়াজরি। ঠকুর! লেওঙসি লাইবক্তা পুবা মফমদা চৎলমদাহৃদা অসিমতংদি হংয়জন্নমগে ইম্না। নচাদী পাণ্ডদব অয়ম্ব নত্তে। ইমাগী দণ্ডি অসি বরগুম্না লৌজে নচানা। অত্থগা নোংমদি ইমাগী অরানবসি শোয়দনা মাঙাথগনি, মতম অত্থদা নহক্কী অমত্ত ওংইজরবা মরাইবক থীরব নচা অাস পাণ্ডদবা অমদি মীনম্বা ঙাংবা নত্তে হায়বাসি থংবিরক্কনি।

দুর্জ্জন—কয়াদ ফজপ্রব রাঙাংনো! ঙাংবা শকপা ওস্তে ক্লস্তু হৈগ্রে। হোংজক ফাওবা অরানবনা অচুম্বা শাগুনা ঙাংলনেসে।

(সুধা চঙকই)

সুধা—মীনম্বা ঙাংলিবদী নহাক্কী। দুর্জ্জনসিংহ নহাক নত্রা বনগী শানা ভাম্নরক্‌না নথরাই কনবিনবা ঐভোন্দা চঙজরকপদো।

অর্জ্জুন—নঙ !

সুধা—মাগি নঙবু কনবিখিবা মুপী অতুনী। লাইগুমলব মশাদা অমকপা মচেৎ অমকাওবা পক্তুব কুমারগী মকমদা নহাক্না ভূকচরবা রাহৈ ঙাক্লা শিজিন্নরি। ইমা! ইকায়বা খণ্ডদ্রবা মীতম্বানগী মরা লৌতুনা গঙ্গাজলগুম্না শেংলবা পুকচেলনা মাগী ওইবা মচা ইবুঙোবু দণ্ড পিবীবা চুমদে, নয়াথং হল্লিনবিয়ু।

(অর্জ্জুন মী উহন্দনা থৈহুনা চৎখি)

চিত্রা · মুপিমচা নহাক কনানো ?

সুধা—উমদা লৈবীনি ঐগী পরিচয় হায়রবু আসনা লোয়রে।

চিত্রা - ঐগী ইচানা মাণকুপ চৎপা নঙ উহোবরা ?

সুধা—উবদা নত্তে। ঐগী রা অম প্রমান চপ চানা যে গানি হায়হুনা ঐবু উরিনা পুন্দুনা থনম্লগা নচাইবুঙোনা মাণবুপুগী ঈশিং শোকলুরগা হল্লক্তুনা ঐবু থাদোকপি। ডাস ঐ নচাইবুঙোগী মথক্তা রা অমা কৎকে হায়হুনা রাজমাতাগী মফমদা লাক্লুবনি।

চিত্রা—করিরানো মুপীমচা ?

সুধা—নচা ইবুঙোন ঐগী খুৎ পায়হুনা ঐগী জাত মংহল্লে। অতুনা ঐবু লুহোংহুনা মাগী মনাই ওইহনবিহুনা ঐগী ধর্ম্ম ঙাকহনবিয়ু।

বভ্রু—মাতু ঐ ঙম্মোই হায়হুনা নঙোন্দা অশেংনা হায়রেনা। নঙ আশাতু হৌজিককাওবা থাম্রি। নঙবু লৌহুনা ইপা হপুগী মগুণ চেন্নহনবা ঙম্মোয়।

সুধা—ঙাবিরেদনা ইমা! মাসিগী বিচার ভৌবিররোইদ্রা ?

চিত্রা—রাগনু মুপীমচা। ঐ মুপীনি মুপীগী পুকচেল মুপীগী অরাবা

মুপীতনা থত্তই। মাসিগী বিচার ঐনা তৌনি। ভারিবরা বভ্রু! ঙসিদগী নঙগী রাখল তৌনবা থা অমগী মতম পীগনি। থা হেক কাবগা নঙগী পাউথুম পীগদোবনি। মুপীমচা মাসি নংস্থু য়াইদনা ?

সুধা—য়ায়ে করে ইমা। ঐ থা অমা লৈরগা লাকচগে চৎচবগে।

চিত্রা—চৎলো চৎলো (সুধা চৎখি) বরমন্ত্রী, অঙম অথৌ ময়াম চংহুনা নিংথৌগী অভিষেক তৌনবা থৌরাং তৌবিরো।

২বা অঙ্ক।

১বা উৎপ.

লম্ফাং

পাণ্ডৌগী ফজেত্তা শ্রীকৃষ্ণ

শ্রীকৃষ্ণ হাস্তিনাপুরদগীদি দ্বারকা চৎলগে হায়দুনা লাক্লে। ভারতকী নোংপোক ওমথৈদা নাগরাজগী কৈপাক য়োইরক্লে। নাগরাজগী মচানুপী মপুরোইবা নীংলবা উলুপী উনরম্লগা মণিপুর চঙহুনা ঐগী মুংশিরব ভক্ত বভ্রুবাহন উনগে। অমরোমদা ইনাই মঙাগী যজ্ঞ মপুং ফ হন্দবা য়াদ্রি, অমরোমদনা মরাইবক থীরবা মপা মশক খঙদবগুম্না ধর্মীরবা পাণ্ডবকী অঙাং বভ্রুবাহনবু মমাম্ন পাকহন্দুনা মণিপুর সিংহাসনদা থাঙ্গত্তব য়াদ্রি। ঐনা নীংলিব অসি পাঙথোক্লবগী থুংলাইদী উলুপীবু ওইহনগে। অহুনা ঙসি

পাঙ্গি শাহুনা মাগী মপোক ময়ি লোয়না ফাওরগা ঐগী থবক পাঙথোকে ।

(অনন্ত চঙকই)

অনন্ত—মহাশয়বু কনানো ?

শ্রীকৃষ্ণ—ঐ পাঙ্গিনী । মীগী মপোক য়েংবিবনা ঐগী ইশিঙ্গি । মীগী মপোক ময়ি য়েংলগা মাগী মপোক মশাৎ অমসুং তুংদা ওইগদৌবা পুন্নমক হায়বিবা ওমই ।

অনন্ত—অদুদি ঐগী খুৎসি অমুক্তং য়েংবিয়ু । অদুদগী ঐগী ইচানুপীসু থব য়েংবিরমউ

শ্রীকৃষ্ণ—নঙদি নিংথৌনিবা ···

অনন্ত—চুমই । ঐগী খুত্ত'দ কহিসু ইদে কমদৌনবু খঙলিবনো । নঙ য়াম্না খঙব্রেদা হৈব্রেদা ।

শ্রীকৃষ্ণ—মচানুপী অমত্ত লৈ ।

অনন্ত—বাবা । নংগী নিদাসি অঙকপনি । ঐগী ইচা নুপীহু লৌকখিগে, মাগী ম'য় অমুক্তা য়েংবিরম্মু । (চৎখি)

শ্রীকৃষ্ণ—ঐনা ওসি মচানুপীগী মপোক মযি ফাওগদৌরিবসি তাবদা অহল ওইরবা নিথৌ অসগী থম্মোয় কায়গ'নসে । অদুবু হায়দবদী য়াদে । মচানুপীনা ঐগী খুৎলাই ওইগদৌরিবনিনা

(উলুপী পুহুনা অনন্ত চঙকই)

অনন্ত—ঐগী ইচানুপীসি ময়াইবক য়াম্না থীরে । মপুরোইবা লৈনা লৈনা লুপ্রাগা পাঙ্খক ওইরে । মাগী মপোক অসি অমুক্ত মুন্না য়েংবিরম্মু ।

শ্রীকৃষ্ণ—বদায় কদায় ইবেম্মা নখুৎ তিংথোরকউ। (খুৎ য়েংহুনা)
ইস গ্রহ মণ্ডানী নচাইবেম্মাসিদা হৌজিক য়েংশিন্নবা। শুক্র, শনি, রাহু, বৃহস্পতি, মঙ্গল মাগী ময়ি ওসি অক-ফঙ্ঘ য়াম্নে।

অনন্ত—খুবাক খুনম অনীমক মুন্না য়েংবিয়ু।

শ্রীকৃষ্ণ—ময়াইবকতদি নুঙাইয়ু হায়বা দৈ, মপুক লৈত্তাদে, ঈংবা লৈতে। ময়াইবক কৈ ফত্তে। ময়াইবক কৈ—পৃথিবী জয় তৌবা অজুন অবা পাণ্ডবগী মপুরোইবা ওইনা কংই। ময়াইবক থী নচাইবেম্মসি লুথ্রা যুগ তাই, লুখ্রা ওইথু হায়রি মপুরোইবা হাংলু হ য়রিয়ে মাগী মথিনা।

অনন্ত—মপুরোইবা হাংপদী ফিংচাবীনিদনা ঐগী ইচানুপী অসিদে।

শ্রীকৃষ্ণ—মহাকমক্না হাজ্রবস্ত মপুরোইবা শিবগী মবম মানা ওইগ- দৌরিয়ে।

অনন্ত—অদুদি ফিংচাবীসি মখৌরি মেখত্তুনা হাৎলসিরা?

উলুপী—মানী ইপাইবুঙো। কুরুক্ষেত্রগী লাল চৎথবদগী ইচানু হন্নক্তে, মাগী পাউ অমতসু কংদ্রে, হৌজক অমুক হপুরোইবা হাংপী ওইগদৌরিবা মাহুমক্না, ঐবু খৌরি মেখত্তুনা হংপনা মতিক চায়—হুঁ হুঁ নত্তে। হৌজিকমক চত্তুনা গঙ্গাগী গর্ভদা চোংথহুনা থম্মায় অসি থারগা ইবুঙোগী থম্মায় কনগে। হে ইবুঙো মধুসূদন। নমাইগী নীংবা থুংহনবিয়ু। (চেনখি)

অনন্ত—ঠাকুর! কদায়দনো ঐগী অঙাংশিনা চেনখ্রিবসে।

শ্রীকৃষ্ণ—গঙ্গাদা চোংথনী হায়দুনা চৎখ্রিবনি।

অনন্ত—গঙ্গাদা চোংথহুনা শিগনি হায়রগা করিমত্তা থামলাকপা?

তৌবিদনা ভিগুক্লা য়েংহুনা লৈবিহৌরিবদি করিনো অদোমবু মীদি কনা উই।

শ্রীকৃষ্ণ—চেনপ্রেনেসে ওয়বদি অমুক্তা ফাবিহৌ। অতুবু থেংনত্রিগিঙদা মানা শিদোকখিবনা হায়বদি।

অনন্ত—অদু ওইরবদি কমদৌবা।

শ্রীকৃষ্ণ—সঞ্জীবনী মণি অসি লৌবিহৌ। মাসিনা হেক শোকপদা অশিবা মী অমুক হিংগৎকনি। অদুগা অমুক্তগী হেন্না শিজিন্নবা য়াদে।

অনন্ত—কদায়নে বাবা। ঐগী ইচাক্লপীদু কনবা ওস্বরা অমুক্তং য়েংহৌপে (মণি লৌগা চৎপ্রে)

শ্রীকৃষ্ণ অসোমগী থবক লোইরে। হৌজিক্তি মণিপুর যাত্রা তৌরগে।

(থোকাখ)

১শুবা উংপা

গঙ্গা মপাল

উলুপী চঙকই

উলুপী—(গঙ্গাদা কুমথহুনা) হে জাহ্নবী। ঙসি নহাকী ঊংলবা গর্ভদা চঙহুনা পুঙমদবা ঐগী মৈচাক অসি লোয়হনবিরো। কুরুক্ষেত্রগী লান্দা মপাবুংনা কৌহুনা চৎখিবদগী ঐগী অমত ভাইজরবা ইচা ইলাবন্ত ঙসি ফাওবা হল্লক্তে। ইচা কায়নবগী মৈ পুঙমদনা লৈরিবি ঐবু ইপুরোইবা কায়নবগী মৈ অমুক

হাপচিনগদৌয়ে। ঐ অসে মঙ্গ হাৎপী মপুরোইবা হাৎপী হিংচাবীনি। হিংবদা পৃথি লুম্ববা মীশক্তি নংগী ঈংলবা নত্তপাক্তা ননাইবু লৌশিনবিরো। (ময়াইদা চণ্ডশিল্লকপা)

(ঈয়াইদা, মরুমদা গঙ্গা)

গঙ্গা—নও শিবা যাদ্রি দেবী। নওস্থ নচা কাইনবগী অরাবা খাংলিবীনি। ঐস্থ নওগুম্বা ইচা কায়নবগী পুত্তমহ্রবা মৈচাক থাঙলিবনি। কুংশিখণ্ডরবা নংগী নপুরোইবনা চুমদব লাম্লোডদা ইচাবু হাত্তুনা ঐবু ইচা কায়নহল্লবনি। মাবু ঐমা শাপ তৌগ্রবনি। মাগী পাপতি শিরকাওবদা কোক্লরোইদৌবনি, মপাল নাইত্রবা নরকী মৈচাক ফওগনি। মচাগী মথুত্তা শিরবদি পাপ অহু কোকনি। নওদি নপুরোইবা নিংবী সত্তীনি, নপুরোইবগী চুগী পুনশিদা যাফনবা থবক অমদি তৌরম্মু। চৎলু মণিপুরদা চত্তনা নচা নিপা বভ্রুবাহনবু মপা হাৎনবা থৌজিল্লু।

উলুপী—গঙ্গা মাত্তাগী শাপস্থ লৈরবনি। ইবুঙো শিবাংশ শোয়রোই, ঐস্থ ওসি নত্রে হয়েং লুপ্রা ওইবদি শোয়দ্রে। অহুদী ইমানা ভাকপিবা মঙুং ইম্না ইবুঙোগী তুংগী ফননবা অসিমদি তৌদব য়াদে। ওসিমক মণিপুর যাত্রা তৌরগে। (চৎখি)

৩শুবা উৎপা

উমংগী লম্বী

দুর্জ্জয়সিংহ চঙকই

দুর্জ্জন—লাকচৈদা। ওন্থোক্লা চোপথ্রেদা। রাজসভাদা করিন্থ লৈভবী হৌকম চাকমন্থ খঙদবী ভুপীচা অমমা থীনা চোপহনথ্রেদা। হুরানবদৌনা মী উহন্দনা লৈথোক্লককপনি। লৈবাক মমাঙদা শক অসি করম্না উৎকনি। ঐ রাজদ্রোহীনি হায়বা পুম্নমক খঙথ্রে। মণিকুণ্ডগী কুমারবু ঈশিং লৌহন্দুনা মা শিননবা তৌবা—পুম্নমকসি ঐনা শিনবনি হায়বা পুম্নমক লোয়না খঙথ্রে। হৌজিক যুমদা অমুক হঞ্জিন্নবগী কান্নদ্রে। ঐনা হৌজিক কবি তৌবা, কদোমদা চৎপা। অমা খঙদে অমা খঙদে ঐবু চোপহনথ্রিবসিগী লম্মন খুদবদী য়াদে, মতুংগা লোয়না মণিপুর সিংহাসন। (চৎখি)

৪বা উৎপা

লম্ফাং

অর্জ্জুন চঙকই

অর্জ্জুন—মতম কুইনা উকপ্রবা এমম অসি উবসি পুক্কি অসি ইনৌ নৌই। মাঙদা উরিবা ফরাল অঙৌবা অসি নাগরাজগী কোম্নুংদনি। মতম খর লৈরম্নগা ঐনা লাকপদা উলূপীনা কয়া রানা ঐবু বিদায় পিবা। মখায়োমদা খর নেমথনা তাম্রিবা

লমপাক অসিনা মণিপুরনি। নিংথৌ মচানুপী চিত্রাঙ্গদাগী প্রেম, মপুরোইবগী সেবা কাউনীঙাই ওইদে। পোকপদা ঙাঙৈরিবা অঙাং অদু মথাদা কোল্লগা মমীত্তা ঈরা চেন্দুনা ঐবু থিদায় তৌরকপা হৌজিক্ত ওইবগুম নাংশিংই। লৈরিবা চীংয়াম ভুরেল মচা অসিনা ঐবু তরাম তরাম ওকপগুম তোরি।

(দূত চঙকই)

দূত—(খুরুমজনা) ঐখোয়গী মজ্ঞগী শগোল মণিপুরয়োমদা চেনশিনরে, থিংবা ঙমহৌদ্রে দেব।

অর্জ্জুন—থিংবা ঙমহৌদ্রবদি কৈদৌনি, থিঙঙুরন্নু মতুং ইল্লো।

(দূত থোকখি)

শিত্রবদি অঙাং অদো চহী ১৬।১৭ লোম হায়রগনি। মবুধোগী গাদি মণিপুর সিংহাসন মানা ফংলম্বা য়ারে। ঐনা পোকপনি শগোল মানা শোয়দনা ফারমগনি। অদু ওইয়ব'দ মপা মচা লান্থেংনবা ফ'য়বা! কুরুক্ষেত্রগী লান্দা অভিমন্যু, উলাবল্ল, দ্রৌপদীনা পোকপা ইচা মথৈ লোয়না শিরে। হৌজিক ঐগী মচা হায়ব মথন্ত ঙাইরে। লান অসিদা মাবুন্নু ঐনা হাংপা তারবা। ইচা মুংশি হায়জনা ঐগী ইথৌ তৌদবদী য়াদে। ঐগী ইচানা ক্ষেত্রি ধর্ম্ম কু'ত্তু-মজ্ঞগী শগোল ভাকপা তাই। ঐগী ইচানা ক্ষেত্রি ধর্ম্ম শুক্ত-জনা শগোল ফাদজনা মণিপুর লান্থোকখ্রবদি মহাক এগী ঈ শেংদ্রে। পুনসি অসমগী মমা-মচাবু ঈন্থোকখ্রগনি অদুগা করিগুম্বা ... ...　(বৃষকেতু চঙকই)

করিনো কেতু? করি পাউ লৈ?

বৃষকেতু—শগোল মণিপুরগী সিমানা লানশিনব্রে খুরাইবুঙে'! খুরাইবুঙোনা মণিপুরদ' ইনাওগী লৈবাক্পী কায়না তাকাপথি। নহ' ওইবগী মুঙাইহুনা তাব তাদনা যঙ্গী শগোল মামা কারম্বা থোক্লবদি ল'ল থোক্লবা শোয়দে। লানবু তৌরবদি খুরাইবুঙোগী ম'ঙদা মহাক করম্না লেপ্‌কনি। ইপা কায়নরে অমত্তা ঙাইরব ইনাও মহাক্কী ৈ'ত্রবদি ঐগীদী কনাম্ন লৈত্রে। ননাইন হুন্দচরিবসি রাথল তৌরিম্ন, ননাইশিং থাহুনা শগোল কাজিল-হনখিক, মথে য়নম্ন ঙমদ্রবদি য়াথ' পীবিরে, ইশানক চত্তন শগোল কাজিঙ্গরগে।

অর্জ্জুন—ঙাইখো চিংনখিন্নু। মণিপুর নিংথৌনা শগোল করিম্ন ফারম্মোই। ঙসি অহিং অসি পেথকখো, পাংথখিন্নু।

বৃষকেতু—য়'থং মথা পোনবনী। (চংখি)

অর্জ্জুন—নহাক্দা ইতিং-তিংনা থল্লি। মঙোন্দগী ঐনা শরুক চাম' হেম্না রাগ্রবনি। ইচা মুংশিবা অমরোমদা কর্ত্তব্য।

(ছুবি পায়হুনা উলুপী চঙকই)

উলুপী—মহাক্কী লানশঙ অসির'ইদা লৈ হায় কদায়দা লৈরমগবা?

অর্জ্জুন—কনানো নহাক? অঙাওবীরা, হিংচাবীরা? কনানো নঙন' তাম্নরিবা? নঙগী অম্ভাবনা করিনো হায়। নচা কায়নবগী মৈচাক্কা, নপুরে'ইবা কায়নবগী চৈনারা? নশক তাকউ।

উলুপী—(মতোমত্তা ঘ্র্ম ঘ্র্ম শোল্লী) মতম কুইনা তাকত্রবা খোঙ্কং অসি তাবদা থম্মোই শোম্ন্থরিবা করিগীনো, অম্নম্না নীংহম্নরবা

ইপুরোইবগী পাপ কোকহনগে থল্লিবা, মাহুগীদমক হিংচাবীগী শককম লৌহুনা মীহিংচাবীগী লীচং লৌরবগী কল লৈব্রে।

অর্জুন—নত্তোমতা ব্র, ব্র, শোন্দুনা লৈরবদা কৈধোরে মুপী। করি থল্লি! ঐবু নঙনা য়েক্লগা ঙইনা লৌরবরা? (চঙশিন্দুনা য়েংলগা) উলুপী করিনো তৌরিবসে? অঙাওবীগুম কোয়চৎ চৎলীগদি করিগীনো নংনা পাম্বা করিনো? নচানিপা হন্নক্তে হায়হুনা থিবা লাক্লাবরা? হোজিক্তি ঐগী ইনাক য়ৌরেদনা নংগী অরাবা করা লৈগান?

উলুপী—অহুগুম্বা মুংশিব রাঙাং তৌবিরগনু ইবুঙোগী সেবা ফংথি-গনি হায়হুনা আশ য়ম্না তৌরম্মী। হৌজিক্তি আশাগুম্বা লাম্লা থমগ্রে। ইবুঙোগী পাপ লৈরবা হকচাং অহু তাইবঙ অসিদা লৈতনবা ঐগী ইথৌ পাঙগে লাক্লবীনি।

অর্জুন—ঐবু হাংকে অসিরু?

উলুপী—হোয় অহুম্না থনাবরবম্ব থোয়্না লাল্লোই।

অর্জুন—করি! ঐবু হাৎপা লাক্লিবা? বৃষকেতু! অঙাওবী অসি ফাজিন্দুনা থম্মু। নত্তে, নত্তে ঙাওরীবাদ ঐান। ঙসি ঐ ইচা হাৎপা লাক্লি লাউ দেবা! নঙগী ছুরী অহুবা মচা হাৎকে লাক্লিবা ঐগী থম্মোয়দা থুম্না থিন্দুনা ঐনা লাঙথৎলিবা পুত্রমেধ যজ্ঞ অসি লোইশিল্লরো।

উলুপী—ননাইবু ঙাকপীয় ইবুঙো। জাহ্নবীনা ভাকপিবা মতুইন্না ইবুঙোগী পাপ কোক্লবা থবক পাঙথোকচরগে (ছুরি শত্তুনা থিনগে তৌই সুধা চেনশিল্লকুনা ছুরি মুগ্গী)

সুধা—নুপী ওইবীগী অমত্ত ভাররবা নীংথকম মপুরোইববু করিগীদমক হাংথে তৌরি ?

(উলুপীগী মথুং পায়দুনা চিংদুনা চংখি)

অর্জ্জুন—নুপীমচা অসিনা কনানো ? (ওক্না চথখি)

৫বা উৎপা

লমজাও

হনুবা ব্রহ্মন শাদুনা দুর্জ্জনসিংহ চংকই

দুর্জ্জন—মণিপুর নিংথৌ বভ্রুবাহন শিনবা লম্বী লৈরে। লৌশিং তৌদুনা পাণ্ডবকী যজ্ঞগী শগোল মণিপুরদা হোয়ুজিলহল্লে। অনৌবা লৌশিং অমা তৌদুনা বভ্রুবাহনবু শগোল কাহল্লনি। অদুদগীদি পৃথবী জয় তৌবা ওস্বা অর্জ্জুনগা লান…কননা বভ্রুবাহন শিবা শোয়ত্রে ? লান লোইরগা শগোল পুদুনা পাণ্ডবকী ভেঙ্গোল হনথ্রনি অদুদগীদি ঐগী থবক পাওনে। বামোন হনুবগী ফিজেৎ অসিনা মণিপুরদা লৈরীবা মী পুম্নমকী মমিত্তা উফুম চাইশিনবা যারনি।

(লান্নগী ফিজেত্তা শ্রীকৃষ্ণ চংকই)

শ্রীকৃষ্ণ—ঐগী মীওদি যারোই সেনাপতি।

দুর্জ্জন—(মতোমত্তা) অসিনা কনানো, কদোমদগীনো ? মশকপু অমুক্তা উখিদ্রি। মানা ঐবু শক থরম থওলিবা (খোনকম কায়না) বাবা ! নওনা করি হায়বা ঐ।দ হনুবনিদো, না থর তাথীরে, থর লাউরপ হায়ু অদু মন্ত্রবদী ভাদে।

কৃষ্ণ—ঈশিং-মুংশিং ওনবসি সেনাপতিগী হকচাংদুগা কয়া চারক্রমাগে।
ওয়াংদা মণিপুর খাদোক্লি অঙুবু খংহনহল্লুরেনে।

দুর্জ্জন—মাসিদী য়ম্না মুয়া খঙব্রেনা করমনো? মানা করি ভোগে খল্লিবনো ঙদুনু করিমতা খঙদে। এনা ভোগে খল্লিবসিন্ন পুম্নমক কাথদুনা তোক্লরনি। (ফোংনা) নঙবু নচীঙ্খাল অঙুনু খর খর লোকবগুম তৌই, করি কঁয়রনো হায়রিমাক্লে, এনা মা পঙনীনা করমতা তাদ্রে খঙদ্রে।

শ্রীকৃষ্ণ—অদোমবু কায়া সেনাপতি কইবীরগা নক্লদে? হৌজিক্লা চংদুনা অমগী নিখো ওইবিরননা। হাঁস অঙুক য়াম্না শাখং রুদুনা কংক্লদে। খুৎনা কলম ওইদুনা তেক্তমক শম জক্লরগে (দুর্জ্জনসিংহগী মকোক্ত লাকুনা চিংবদা অহাম্না কোক্ত অঙু তানো এহাক চকাইদুনা মক লুকখদুনা লৈরে) সেনাপতিবু হৌজিকী এনা হায়বা তাঁবরানিদনা।

দুর্জ্জন—(শওনা) করিনা হায়।

শ্রীকৃষ্ণ—হন্নুনা শারিবাস করি মরমগীনে।?

দুর্জ্জন—মরম অঙু নচৌন্দা কারগী তাকখে কন।

শ্রীকৃষ্ণ—তোম, নরন অঙ্ যম্না লুব ঙংনী হায়বদুদি পঙ্খাগী কেইদা অদুনা তক্লে। অডুগা ওবুদী অদোমগী থেক্লনি কাংদুনা লৌবিগন্নু। এদ সনাগ ভগা মরূপ শন্নগে লাবচনা।

দুর্জ্জন—এ। মরূপ শান্নবীংলিবদী করগীনীনা?

শ্রীকৃষ্ণ—পামাংলদলিসু ওদো গীদুগা ঙকানি ফনা চউরগে। নাগরাজ অনন্তগী মিং তাবিরিলিদনা।

দুর্জ্জন—ত্তাই।

শ্রীকৃষ্ণ—মাগী মচানুপী অমত্তং লৈজবদু মাঙত্রে, মকম থঙত্রে। মচাগী ত্তাওদুনা নিংথৌ অদু কোয়চৎ চৎত্রে, লৈবাক অদু নিংথৌ পান্দ্রে। মাগী লৈবাক অদু ঐগী ওইনিংলে অদুনা সেনা-পতিদা চঙজরিবসিনী।

দুর্জ্জন—নিংথৌ লৈত্রবদুবু থেংক চংশিন্দুনা থুং চনশিল্লগা লোয়ংব কয়া লুবা পেংংনোংদ্রবো ?

শ্রীকৃষ্ণ—ঐগী শক্ত অদুফাওবদা লৈজদে। অদুনা অদোংনী হত্তুং নিগে লাকচরিবনি।

দুর্জ্জন—ফার, নংগী ননাংসু থু হনগনি। অদুগা ঐনা 'ফজেং ওন্দুনা থবক অমা পাংভথোক্কে তৌরিব সদসু নংসু ঐগী হত্তেং পাংবা য়াংইরনা।

শ্রীকৃষ্ণ—ঐদি থরায় ফাওবা কংথংক্কে হায়রিবনি। ইশানা রথী ওইরবসু মকপবু হায়রবদি মগী সারথী হেক্তা ওইহিপোংবনি।

দুর্জ্জন—ফরে, ঐগী কোই অদু কম য়নো পীরো (হাপচিন্দুনা) য়েঙ্গুত্তাই, ঐনা কোমংগী পুরোহিত্ত নওনা ঐগী হয়াম্বগী মচা। হৌজিক্কি মণিপুর নিংথৌবু পাওবকা লান থেনববা থৌজিল্লুগদৌবনি ভাব ত্তারেদনা।

শ্রীকৃষ্ণ—থঙজরে। পওবকী যজ্ঞগী অপোল মণিপুর য়ৌরক্কে। মসি বভ্রুবাহনবু ফাহল্লগা অর্জ্জুনগা লাল থেনহনবা। অদি নত্ত্রদো ?

দুর্জ্জন—বাঃ ঐনা নিংবা অপাম্বদু নওনা হেক্কমক হাংদোক্লকপা

নঙসিমক্তি শগোলসেন গুরুনি-হৈ। এঃ বভ্রুবাহন অসোমদা লাক্লে, ভাব তাউকো।

(বভ্রুবাহন চঙকই)

বভ্রু—মুপীমচা অহুনা রাকৎলম্বা অহুগী ইমানা থা অমগী মতম পিবহ্ হুয়্রেংগুরে। ভগবান! নঙনা ননাইদা ওম্হে কপ অৱাবা অম পীরে। মুপীমচা অহুবু লুহোংলগা ঐনা তৌখ্রিব পাপগী প্রায়শ্চিত্ত। অমরোমদা পোকক্ম চাকম খঙদবী মুপীমচা অহু লৌহুনা ইপা ইপুগী গুণ চেম্ব্রচনবা। মাসি ঐ ওম্মোই। মানা ঐগী তৌখিবা উপকার অহুগীদমক লৈবাক কাগুবা পীবা ওম্মা, মানা পাম্বতা পিগনি। মাদু লৌবদি ওম্মোই। (চঙশিল্লকুনা) ব্রাহ্মন অহল অমা লৈরে, থুরু-জরি ঠাকুর।

অর্জুন—মতম কুইনা পুনর্সিমু মহারাজ। ঐবুদি খঙবরা? ঐ নখোয়গী পুরো হুতকী ময়াম্বা অহন্না, ঐগা লোয়নবিবা অাস নখোয়গী পুরোহিতকী মচানি। ঐনা তীর্থ চৎলুব হল্লকপদা নহাক নি থো ওইরে হায়বা তাহুনা অশীর্বাদ তৌগে লাক্লিবনি।

বভ্রু কৃপানী। ঐবু চানবীহুনা লেঙবিকক্লবনী, কোম্লুমেম্লুংদা লেঙ-খিনস ব্রাহ্মনগী পদধুলনা ঐগী কোম্লং অমুক্তা শেংদোকপিরম্মু।

অর্জুন—নহাক্ত। তরাম তরাম তৌবসিদা য়াম্না মুঙাইরে চৎাস (মপাল-লোমদা য়েংহুনা) উবিবসি শগোল নত্রা? (কৃষ্ণনা) কদোমদগী শগোল অসিনা চেনশিল্লকইবা! (শ্রীকৃষ্ণ খোকাখ) মতম অসিদা লমজাও শোরোক্তা শগোল চেনবা অসি লৈবাক নিংখোগী কয়া ফত্তে। মসি স্মৃতিগী রানী (কৃষ্ণ চঙকই) কমদোবা?

শ্রীকৃষ্ণ—কজত্রে শগোল অদো। যাগী লৈত্তেং অহুনা নীংথিজরিবা মরাইবক্তা ইরিবক্তসু অঙকপনি। কনাগুম্বা নিংথৌ অমনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌত্তনা থারিবা শগোল ওইরমাল্লে। শগোলশী মরাইবক্তুদা ইরিবক্তু ওল্লেক্লা চাউথেক্লা ইরিয়ে "ঐনা থারিবা শগোল অসি ভারত থুংনা চৎকনি, কনাগুম্বা নিংথৌনা মাবু থিংবা ফাবা থোক্রবা মাগী পুন্স লোয়র।"

অর্জুন—করি হায়রবা! শগোল ফাবা মী অহু শিগনী। কয়া চাউ-থোকপ্রবা! পৃথিবী অসিবু বীর লৈত্রবরা? বীর লৈত্রবসু ব্রাহ্মন লৈরি, ব্রাহ্মনগী মৈগুম্বা চাকথেকপা ওম্বা শক্তি লৈরি।

শ্রীকৃষ্ণ—তপথবীখো ব্রাহ্মন! যজ্ঞী ভারত অপুম্বনা থিবা ওমত্রবসু মণিপুরদদী যারোই।

অর্জুন—মাহুবু ওমগত্রনে? মণিপুর নিংথৌদী অহাংনী।

বভ্রু—মণিপুর নিংথৌ—নহা ওইরবসু পাণ্ডব অমম্ব নত্তে। বাকম্বু ব্রাহ্মন, শগোল ঐনা শেযদন ফাগনি। ভারত অপুম্বা থোওই উশত্রিগা নাপল তৌবা নিংথৌ অহুগী মতিক য়েংগে (চৎকেত্তোই)

(আনন্দরাম চেনশিল্লকই)

আনন্দ—ভাইখো ইবুঙো, ঐনা হায়রব' ভাউ। শগোল ফাবা য়াদে।

(উলুপী চেনশিল্লকই)

উলুপী—ব্রাহ্মন নহ পঙাং ঙাংখিম্বু। চৎলু ইমাগী ইবুঙো। নহাক বীরনি, বীরগী মথৌ পাঙথোবউ। নাপল তৌবা নিংথৌ অহুগী নাপল য়ৈথেকউ।

আনন্দ—(মতে'মতা) মৈশা কনবী মুশী অসিনা কদোমদগীনো।

দুর্জন—মুশীসিনা হায়রিবসি অচুম্বনী। মখোয়না চাংথেক্লুনা মণিপুরবু করিম্ব উশিজ্ঞনা ভৌরগা মণিপুর নিংথৌবা ম'ছু য়েংহুনা লৈফম থোকপ্রে ?

আনন্দ—কদোমদগীনো শকফমবা ইবুঙে' নহাকপো। লেঙেঙা লেঙেঙা। অসিরাইদা নঙগী থবক খোযদোকপা লৈতে (বভ্রুবাহন্দা) মখো'যগী বা তারুহুনা কান্নদে, চৎসি লাকও।

উলুপা—হায় বভ্রু। নহাক মণিপুরগী নিংথৌনি। মণিপুরগী মাঙ্গ ঙ'ক্কে হায়বর, নাপম তৌ'রবা নিংথৌ অহুগী মখোঙদা তুহুনা মণিপুরগী অঙৌবা কিরন্দা কালি তৈগে হায়রিবরা ? অমা থল্লো।

বভ্রু—চৈথিগনু ইমা। ইমানা প ম্নিবহু তৌগ ন। মঙক হাইগৎপ মা অহুগী মঙক থুদেক্কনী।

উলুপা—লাকও'হুদা শগোল ফ'ররো।

(বভ্রুবাহনগী মখুং পায়হুনা চৎখি)

শ্রীকৃষ্ণ—কৈদৌবে ঠাকুর ! নিথৌবু থম্বা ঙমহৌ'দ্র।

আনন্দ—নখোযনা ঙাংব অমত' তা'নিংদে। রাজমাতা তাকউদবা য়াদ্রে। (চেন'খ)

শ্রীকৃষ্ণ—হৌজিকমক্তা ঐখোয়গী থবক করিম্ব লৈত্রে কায়নরসি।

(চৎ'খ)

৩বা অঙ্ক

১বা উৎপা

কালী মন্দির

থুপ থাওমৈ থাদুনা নৈ বক্তুনা চিত্রাঙ্গদানা লাই খুরুমই

চিত্রাঙ্গদ।— ঈশৈ

সতীশিংগী কোকংকী মণি
ইমা ইবেমা সতীরানী,
চঙজর্রি নখোংও থম্বাল অনীদা।
থরাই থাবা ভস্মী নহাক্তি
নপুরোইববু থীনা ভংবা তাবদা।
নবুত্তোনম্থু থাদোক্তে নওবু শিরব
ফাওবদা মনাই ওইহল্লী মহাক্কী
যুগ যুগ খুদীদা ননাই ঐদি
লাইবক থীবীনি
ইপুরোইবগী সেবা ফংজদবীনি।

(খুরুমই)

(বভ্রুবাহন চঙকই)

বভ্রু—ইমা! ইমাগী চরন খুরুমজগে মুংঙাইব পাউ অমসু তাজগে লাক্লিবনি। নীপাথোকপা থবক অমা তৌরম্মে মচা।

চিত্রা—কনানো। বভ্রু। করি তৌরম্মে।

বভ্রু—ইমানা য়াম্না হরাওপ্রদৌবনি, নচাবু চুপকে হায়রগদৌবনি শোয়দে।

চিত্রা—করি পাউনো তম্মু তারসিনে।

বভ্রু—ভারতকী মথুঙো মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌরি হায়। মাগী যজ্ঞগী শগোল অদু ভারত থুংনা কোয়রি। শগোল অদুগী মরাইবক্তা য়াম্না চাওথোক্লা ইরি—কনাগুম্বা নিংথোমা শগোল অসি কারবদি মথরাই লৌগনি। শগোল শেম্নরুনা মতুং ইল্লবনা পাণ্ডবকী য়াইমব গাণ্ডিব পায়ব অর্জ্জুন। কৃষ্ণনা মখোয়গী মীচঙদা লেপ্পদগী পাণ্ডবনা অদুকী মতীক পেওগ্রে. মখোয়গী মমাঙদা লেপ্পীনবা বীর অমত কৈত্রবঙম তৌরে। মখোয়গী নাপল অসি মমুক্তং য়ৈথেক্কে হায়রুনা শগোল অদু ঐনা ফারে। ইমাগী য়াথং লৌগে লাকচরিবনি, বিদায় পীরো, চচ্চররে ইমা গাণ্ডিব পায়বত্তু অমুক্তা থেংনজরগে।

চিত্রা—অপঙব অঙাং! কনানা শগোল ফাও হায়না ঈনশিল্লিবনো। কৃষ্ণ অর্জ্জুনবু যেরুবা ওইরুরবদি শিব শোয়দ্রবনি। নঙগী রাখল অদু থাদোকউ ইমাগী ইবুঙো। শগোল অদু নীংথিজনা পীথোকখো।

বভ্রু—মাতু ভাকপিগনু ইমা। ঐহাকসু বীর অমা ওইনা চাউথোক্লা ফারুরবা শগোলনী, শীব কিন্তুনা কনবা ওম্মোই। শিরগা শিগ্রে শিত্রগা ফাল্গুনীগী নপাল য়ৈথেকখিগনি।

চিত্রা—ইমাগী ইবুঙো, নঙনবু ইমানা হায়বা ইত্ত্রবদি ইমানা হিংলুহুনা করি কাব্রনি। লাল তৌবা য়াদে শগোল পীথোকখো।

বভ্রু—করি হায়রোনে ইমা। ইমাগী মণিপুর নিংথৌগী মচানুপীনী, মণিপুর নিংথৌগী মমানী। মণিপুররাজমাতাগী গুণ ডাকপা ইমাগীদু ইথৌ নত্রা? কোঙোলডাকপগুম মাঙখিগদৌব থরাইবু দু শিরুদুনা সাজী'গুম লেঙডরোইদৌব ইপা ইপুগী গুণ মাঙ হনগদ্রে? ঐ ঙম্মোই ইমা। নচা অর্জুন পাণ্ডবন্নত্রে। ঐ খঙডো যদুপতি প'গুবকী মরুপনী। ঐহাকসু মখোঙ থম্বাল অনীবু থম্মোয়দা চেংনা কোপ্পরিবা মনাইনী। মনাইবু শৈরাংই-দুনা মরুপকী মীচ' বৈদোইঙদসু চঙলোই। কনদে নচবু আশিষ তৌবিযু। ইমাগী বরনা ঐদি অমাদ-অত' লৈজবু করবনী। লাল লাযনা ঙমলগা। ইমাগী চরন খুকম্বা খুন লাক্কে। যাথং পীবিরো ইমা

চিত্রা—নংগী নত্তীক নথৌনা করিসু ঋ'ক্তে ইমা। খঙড' অহবু হন্দক্ত লাল অসিদি ইমা যাদে, নঙবু চঙলু হায়বা চন্দে'গ্ন।

বভ্রু—করিগীনো ইম?

চিত্র—মরম লৈ। হন্দকী লাল অসি ঙম্বগ' ঙমদবগা ঐঙোন্দ চপ মাইগ্নে। ম'দুগী কল অকিবগী মশক্তী অহুনা ঙমানা নঙবু থাম্বনীনে বভ্রু।

বভ্রু—অঙকপা রাকম্নী। লান্দা মায়পাকপগা মা.গী'বগা চপম'ন্নবা মাসিগী অর্থ ঐ খঙবা ঙমদ্রে। ঐগী অ.মসি গয়ুক্ত কোক হনবিয়ু ইমা। (চিত্র অদাগী খোমদা কুম্ভবা)

চিত্রা—অঙকপ রাকমনী চুমই। হায়রী অদু তারবদি নংগী হুকচাংদা চেল্লিবা শারব ঐ অদো উন মহী ওইনা চেনখিনি. নখুত্তুগী খুৎলাই ডাখিনি। অহুনা খিংবনি ইমানা লাল অসি তৌগন্নু।

(উলুপী চঙকই)

উলুপী—য়ারোই, মতু য়ারোই, লাল শোয়দনা ভোগদোবনী। নীং-হৎনদু বাভ্রুবাহন শগোল পীথোকপা য়াদে। পাণ্ডবগী মচৎ চৎকনু। শগোলবু পীথোকপবদি বংশগী মাযাদা নশাগী শুণ লোইনা চৎথগনি।

চিত্রা—কনানো নহাক হিংদাবী। মায়া পুখোক্লুনা ইচাবু মপা হাংলু হাংবদুনা ঈনশিল্লিবা নহাক কনানো?

উলুপী—ঐবু খণ্ডবরা গন্ধর্বনিংথৌগী মচাম্বুপীনি। ঐ নহাক্কী লেংঙ্গবীনি নাগরাজগী মচাম্বুপীনি।

চিত্র।—নহ ওহঙে। নঙগী লিনগী লৌচৎ অদু কাউবা ওমদদুনা নমাবীপাবু নপুরোইবা হৎলু ঈনশিল্লনা। চৎলো হুপুবী। ঐ লৈরিবৈঙদদী নঙগী নীংবা থুংবা য়ারেই।

বভ্রু—করিনা ইমা হায়রিবদো অক্ষম শুব পাণ্ডবপু ঐবু পোকপা ঈপাবনে?

চিত্রা—মানী ইবুঙো নপাবুংনী। নঙগী পুক্কী মহৈনা ওসি নপাবুংগী দর্শন ফংগদৌরিবনী। শগোল পুদুনা নপাবুংগী চরন্দা কৎ-লুরো। নপাবুংগা শক খঙনরো।

বভ্রু—করি হায়নো ইমা। মাদু বীর অমগী মমানা ওংপদোব হাওাং মক্তে। মরোল, অক্ষম জয় তৌবশুন বীর অমগী মচানা ক্ষত্রি ধর্ম থাদোক্লুনা অয়ম্ব অমগী মতৌগুম্না কোক নোম্লুনা শগোল কৎলুরবদা পাবুংনা ঐবু মচানী হায়দুনা য়াবীগড়া? কৈদো-ইঙদসু মচানী হায়দুনা লৌথৎপীরোই। বীরগী মচৎ চত্তবা ঐবু অথীব য়াহৈ শীজিমদুনা ভাস্বোক্লকপা শোয়দে। হৌজিক

ঐনা তৌগদৌব করিনো ইমা ? অপোকপা ইপাবু পুজা তৌগত্র ? মহাক্কী মতীকমঙ্গল অমসুং বংশগী মর্য্যাদা ভাকত্রা ? লম্বী অসী অসিগী মরক্তা কয়ম লম্বী চৎকনি ? অমমা তৌফম থোকপা ঈথৌ, অমনা ধর্ম্মগী লম্বী ।

উলুপী—ধর্ম্মগী লম্বী চৎকদৌবনী ।

চিত্রা—মথৌদগী হেনবা করম ধর্ম্মগী লম্বী অম লৈরিবগে ? নঙনা খল্লীবদু কৈদৌঙৈস্তু ওইরোই নঙ চৎখিগা য়ারনি ।

বভ্রু—কয়াদা লুপ্পবা । ইথৌনা চাউবরা ধর্ম্মনা চাউরিবরা ?

(আনন্দরাম চঙকই)

আনন্দরাম—অসী অতুপগী পুমহেনহেনব লম লৈরি । মাতুংদদী কর্ত্তব্যগা ধর্ম্মগা অসী পূর্ণপ পুন্না । মসিগী মমাঙদদী জগন্না লৈরিব মচা হায়ব জাত মথৌ মকোক নোনগনি । অসিগুম্ব লম্বী অসি চৎকদৌবনী ইবুঙো ।

বভ্রু—অতুগুম্ব লম্বী লৈরবদী থুনমক তাকপিরো ঠাকুর ।

আনন্দ—ইমাগী য়াথং । ইমাগী য়াথং ভাকপনা মচাগী কর্ত্তব্য অমসুং ধর্ম্মনী ।

বভ্রু—ইমাগী য়াথং—ইমাগী য়াথং—ইমা ।

চিত্রা—করি অমুক হায়খিগে হায়বগে ? চৎলোনে ইমাগী ইবুঙো । মপাবু থুরুম্মুরো, শক থঙনকরো ।

বভ্রু—ইমাগী য়াথং ।

উলুপী—নহাক ঙমজেদনা ইবুঙো । (চৎখি)

(সুধা চঙজনা লেপ্লে)

চিত্রা—বভ্রু !

বভ্রু—ঙাকপিসি ইমা।

চিত্রা—নঙনা ঝাপকথিবন্থ নীংশিংলিত্রা ? নঙোন্দা ঐনা ঝাখল তৌ-
নবা থা অমগী মতম পীখিদনা।

বভ্রু—নীংশিংজরি, ঐ কাউত্রি ইমা।

চিত্রা—ঙসি থা ফারে। মুপীমচাসি নঙগী পাউখুম লৌগে লাক্লে।

সুধা—ঐ মহাক্না মকমদা লাকপা নত্তে। ইমানা অচুম্বা বিচার তৌ-
বিগনি হায়রুনা ইমাগী মকমদা লাকচবানি।

চিত্রা—চুম্বা, ঐ হায়খিবমক্রা ! বভ্রুবাহন। নঙ করি হায়গদৌব
লৈরি ! থা অমগী মতম পীর, ঙসি নঙগী পাউখুম পাম্লে।

বভ্রু—(ংতোমদা) করি পাউখুম পীগনি। মুপী অসিবু লুহোংগত্রনে ?
(.ফাংনা) ঐদী নহান হায়খিবন্থনী, পোকফম-শাংফম খঙদবী
মাবু লুহোংহনা ইপা ইপুগী মগুণ মাঙহনবা ঙম্মোই।

আনন্দ—মুপীসি লৌব থোক্লনা কায়রোই। মুপীসিদী মগুণ লৈরগা
লোইরে, শাগে জাতকী রা লৈতে। "স্ত্রীবত্নং দুষ্কুলাদপি"
শাস্ত্রনা হায়রিবনী।

বভ্রু—মাহুনা হৌনবী, চৎনবী থুগায়বা ঙারোই ঠাকুর।

চিত্রা—অদুদী মখুৎ পায়রুনা মুপীমচাসিগী হৌনবী কারগী থুগায়বিকরি ?
ঐনা হায়বা ঙাও বাভ্রুবাহন। মুপী সি লৌদবা য়াদে। মাসি
ঐগী য়াথংনী।

বভ্রু—চৎনবী, হৌনবী পুম্নমক কায়গদৌরিব মকম অসিদসু ইমাগী
য়াথং।

চিত্রা—ঐ নঙগী না অমুক তারবোই মাসিমনা ঐগী অনৌশুব য়াথংনী।

বভ্রু—করে। ইমা অঙানবা য়াথং অসি হাম্না ঙাকনুখিগে, অনৌশুবা অসিনা কোম্না ঙাকচগে। ইমাগী য়াথং—ইমাগী য়াথং।

(চৎখি)

চিত্রা—তারেদনা মুপীনচা। ঐগী ইচাসু য়ারবনী। অদুবু মচানীপাগী লুহোংবদী মপাগী য়াথং যাওদবা য়াদে, চৎলো, নকু ওইগদৌরিব অদুগী য়াথং হাম্না লৌরুরো!

সুধা—য়াম্না কপনি (চৎখি)

চিত্রা—লেঙঙসি ঠাকুর। মতম কুইরবগী তুংদা ঙসি মচানা মপাগী চরণ পুজা তৌগদৌরি। মাগী মতীকচাব মক্কি-মরোল শেংপিরক্নি।

(অনৌবক চৎখি)

২বা উংপা

গঙ্গা মপালগী লক্ষ্মী

অনন্ত

অনন্ত—কয়া খিরে ফংনা লৈত্রে, অমুক কয়া কুইনা খিখিনি। ফংল-রোই, ঐগী ইচানুপীদো গঙ্গাদা চোংথডুনা শিরম্নগনি। মামা ঐবু ওন্থোক্না য়াহল্লেদকো। ঙহাক্তং পোথাখিগে। (ফমই)

(উলুপী চঙকই)

উলুপী—(চঙনা চঙনা) ঐগী থবক মহৈ য়াদ্রে, ঐনা নাংবা থুংদ্রে, ইপুরোইব শিনবা হোৎনবা য়াদ্রে। মধুসূদন! ঐগী ইবুঙোগী লায়ব লম্বী অমা লৈত্রবরা? জগৎনদী ঐবু লায়া লৌখ্রে। ঐনদী ইবুঙোগী য়াইফ-বা, মহাক্কী আত্মানা মুক্তি ফংনবগী দমক লুপ্তা ওইনবা হোৎনরুই। জগৎনা ঐবু মপুরোইব হ'ৎপা ভম্বী ওইনা লৌখ্রে। ইপুরোইবগী পাপ লৈরে থঙনা থঙনা মাহু কোকুব হোৎনবদা মহৈ য়াম্লবী ঐনা হিংলুবগী করি কায়রি। অশিবা হাযব ল'ই ঐবু লৌ'রি্রো।

অনন্ত—অশিববু কৌরিব দুপী নঙ কনানো? নঙ শিনিংলবদী শিত্রি-ভৈদা ঐ শিনব লম্বী অমতং তাক্লম্মু।

উলুপী - অহল নঙ কননো? করম্ব মুঙ'ইতবদগী শিনী লিবনো? (চঙশিন্দুনা) প'বুং! করিনো তৌরিবাসিদে?

অনন্ত—উলুপী! হপাগী ইবেম্মা! ইপা'বু অসুক ভোনা থায়বা কারিগনো? লাকও যুমদা চৎলসি লাকও।

উলপী—ঐ মাহু ভম্মরোই প'বুং। ঐ হৌজিক যুমদা চৎপা যাদ্রে ঐগী থবক লোইদ্রি, ইথৌ পাঙথোক্লি।

অনন্ত—নঙগী নথৌদী করি'না? লম্ব'দা অভাৰবীগম কোয়চৎ চৎপসি নঙগী নথৌরা? অহল ওইরব নপা ঐগী সেবা তৌবদী নথৌ নত্রবোরে?

উলুপী—রাকম অতুনা অমনী। ঐনা শিত্রবদী কোয়া হায়গে।

অনন্ত—নঙ কদাইদগী শিবা য়াগদগে? নঙবুত শিহল্লোইদৌবগী ঐনা

অস্থুক য়ানা নঙবু থিয়কপনী। হৌজিক্তি লাইনস্থ নঙবু হাৎপ ওস্মরোই। নচা স্থুংশিবা খঙলব নঙনা নপা নমানা মচাশীদমব অস্থুক য়াঙ্গ হায়বসি খঙদ্রবরা? সে সঞ্জীবনী মণি অাস খমাজল্লু লাইনা পীবনি মসি লৌরবমখৈ অশিব হায়ব লাই অদুনা নঙবু শোকপা ওস্মরোইদবনী।

উলুপী—শিজরগে হায়দুনা লৈরব ঐঙোন্দা হিঙ্গৎনবা মণিনা কৈদৌরগদগে? পাবুং অদুম পুত্রে, ঐ মাণ পামদে।

